হয়াইবম ৺নবদ্বীপচন্দ্র সিংহগী


তোনু লাইজিং লেম্বী কাব্য

মণিপুর নহারোল সাহিত্য সভা

তোনু লাইজিং লেম্বী কাব্য

হৱাইবম নবদ্বীপচন্দ্র সিংহ

সাহিত্য রত্ন



মণিপুর মহারোল সাহিত্য সভা

কোঙ্‌দোকচবা :—মণিপুর নহারোল সাহিত্য সভা ইম্ফাল

অহানবা খুৎনম : নবেম্বর, ১৯৮৩ ইং
কপি : লিশিং অমা

অহানবা খুৎনমগী হক পুম্বা
মণিপুর নহারোল সাহিত্য সভাগীনি

মমল : লুপা তরুকতনি

নম্ফম : ভাগ্যবতী কার্য্যালয়
চুড়াচান্দ প্রিন্টিং ৱার্কস, ইম্ফাল

অফোওবগী মাইকৈদগী

মণিপুর মহারোল সাহিত্য সভানা নোঙ্গাথ্রবা অশেবা হরাইবম নবদ্বীপচন্দ্রগী ৮৬শুবা মপোক কুমওনগা মরি লৈননা অশেবা অসিনা ইবিরম্বা "তোনু লাইজং লেম্বী কাব্য" কৌবা লাইরিক মচা অসি ময়ামগী মফমদা লান্থোকচরি।

লান্থোকচরিবা লাইরিক মচা অসিদা বনানগী করিগুম্বা শোধন থৈনবা য়াওবম্লবসু মথংগী খুৎনমদা চপচানা চুমথোক্লবা হোৎনজগনি।

অশেবা অসিনা ইবিরম্বা লাইরিক মথৈ 'সভা' অসিনা মথং মথং ওইনা ফোংদোকচরক্লবা হোৎনজরি।

লান্থোকচরিবা লাইরিক অসি ফোওনবগী অহানবা খুৎনমগী হক পিবিবগীদমক অশেবগী মচা ইবুংঙো অহল হরাইবম রণবীরবু থাগৎনবা থংবা উৎচরি।

পোৎসংবম লালমণি
জেনেরেল সেক্রেটরি,
মণিপুর মহারোল সাহিত্য সভা

নভেম্বর, ২৭, ১৯৮৩ ইং

তোম্বু লাইজিং লেম্বা কাব্য

অহানবা ঈথক

রাহৌদোক

লাকও ইমা ভারতি।
স্বাত্তিক-কীজোন থোল্লিবী
লেংশিনাবয়ু থমোইদা
নিংজবা-আসন কচ্চরি।

প্রেমগী ঈরা-লৈরাংদা
ভক্তি-চন্দন চাইত্নুনা
নখোং-থম্বাল অনিদা
কচ্চনবা লাংজরি।

শক্তি 'পুম্বা তিল্লবা
পিনহৈবা ঈশ্বরগী
মহে পিবা শক্তিদি
ইমা নংনা ওইবিরি।

ওসি কোয়ো মুশিত্তা
পংবা-ইপা-লৈত্রবা
য়াওাং-খোইহি-পকত্রবা
ননাই ঐগী লৈরেংদা

তোন্নু-লাইজিং-লেম্বীগী
পুনশি-য়ারি খিবিকপু
অমৃত ওইনা, শকপিরো
মৈতৈ-পুকনিং পেন্নবা ।

মিস্না-থম্বাল অনিগী
থৌজাল-মিংযেং তাবদা
থুমহি-ঈফুৎ কযাবু
অমত ঈপাক ওইহল্লি ।

ননাই নাইথাংশিংডুনা
মরিক অমা ফংদা
তাইবংপান্দা পোকলগা
ওমনা অমর ওইনরি ।

কালিদাস, বত্নাকব
মহাজনগী মতৌগুম
অসুম থৌজাল ফংদি
ননাই ইতিক ওইজদে ।

অপংবা মচা অহুবু
মমানা ইচান চানবদাই ?
তোল্লবা নচা ঐবুস্থ
চানবিয়ু হাঙনা কৌজরি ।

লাকপিয়ুকো নহাকন্থু
নিংথিহনবী কল্পনা !
কবি-পুকনিং-লৈকোনগী
খোইহি'তুনা শাবিয়ু

নিংথিজবা খোইরাবু ।
য়াওবিরগো উপমা ।
মহৌশা ওইবী পুকৈগী
অফবা মণি হাপ্পিরো ।

লাকও ইমা মৈতৈলোল !
উংনা খুম্বা মৈগুম্বী
অঙাং-শৈরেং অমম্বা
থাউমৈগুমনা ঙানবিয়ো ।

থাবা-মৈচাক লোমলবা
নোংদোল কোরৌহনবনা
থাম্বী য়াওন্নদ্রিবৈ
অচিক-অশা থাঙ্গৈরবা
মুংঙাইবা পথ্থে লৈত্রবা
বসন্তগী মতমনি ।

মরৈপাক্কী দমক্তা
শয়েং-পাম্বোম ঙাবদা
য়াইবী খমন্নুং তানগ্রবা
পাথৌশিংগী মথক্তা
অমৃত মরিক থিকপগুম
শিদম্বিদাক থাবগুম

খতম কম্না লৈয়গা
বসন্ত খতম লাকপদা
উপাল, উাঁর পুমনমক
নৌনা য়েনিং হুঞ্জরে।
অঙাংবা য়েনিং অহুনা
লাইগী মতিক অচৌবা
ভক্ত-থমোই লকাদা
নৌনা য়েনিং হুলহল্লে;
শানৌ-থমোই-লৈরাংসু
ওমনা ইশাং শাংহল্লে।
কুমগী নোংজু অহানবা
নোংদোল লাইজ লিকলানা
চন্দন-লাইজ খিকপগুম
ঈশিং কংকাল নাইদনা
তাইবং ঈচিক হুনবিরে।
ফাইরেন থাগী পূর্ণিমা
ওসি লাইরেন নোংজাদা
মরম লমলেন মোইরাংদো
নিংথিবা পান্দম লৈতরে।
বসন্ত-নিংথৌ লাকপনা
প্রকৃতি-রাণী ইবেম্মা
শমগ্রেং-সিন্দুর থোন্দুনা
নিংথৌগী মঙ্গল কচ্চরে।
ইকাইখিবী মুপীনা
চরৈ-মরুম থুপ্তুনা
তোঙৈনা মূনা য়েং'গুম্বী

নারা-মীনোক তমজবী
যাতী, যূতী, মালিকা
মনা মরুম থুগ্গুমা
চামা চামা শাম্ভোকলি,
মনমনা পুকনিং শুহল্লি।
মন্তৌ অসুম তৌহ্নুনা
শিঙেল-মিংফম কজবা
লৈরাং-লৈশক নিংথিবা
মনমনা ঈথক হৌববা
শানৌ-পুকনিং হুনবৈ
খোঈজি—নিংদোল পোমনবৈ
চন্দ্রমুখী, নাগেশ্বর
মধুমতী, শনারৈ
আতর গোলাপ, কুসুমলৈ
পরেং পরেং হৌহ্নুনা
মকা কপ্পা শাকাঈরে।

চিনিচম্পা লৈরাংনা
কামগী তাশোন ওইহ্নুনা
খোঈথুমনবা মনমনা
মাঈগি তরা শিল্লকলে।
কামগী থুংলাই অথৌবা
কামিনী—কুসুম লৈরাংনা
নাচোম ওইনা শাত্তুনা
নুরা-পুকনিং হুবিরে,
বসন্তগী মগুণবু
মপুং ফানা উৎপিরে।

সতী ওইবী মুপীগুম
পানা-লমলান চাম্রবা
শিঙেল থম্মাল য়াইকবী
থাইনা-মৈচাক ফংদুনা
অহিং চুপ্পা লেল্লমলে ।
ইঙ্গুং শোরা ওাল্লগা
মপুরোঙ্গবা উদুনা
চিম্মাল কাংনা নোকচরে ।
মলযা-নুংশিং হুম্বদা
হাত্তৈনা হুমনা থাংবদু
লৌনম চাউবা খোইমুনা
নুংশি কোলোঙ্গ শকপদা
পামু রাতৈ হাঙ্গবদা
পাঙ্গনা পুকচেল কল্লবী
লৈবাং থঙ্গাল অদুনা
ভাংজা হাইনা খাংঙমই ,
শম্-মাঙ্গওন লৈঙুমই ।
নুমিৎ থোকপদা থোকলিবা
নুমিৎ তাবদা তাগ্নিবী
(নুমিৎ মাঙ্গওন য়েংজবী)
লৈরাং নুমিৎলৈদুস্থ
শেৎনরগা চাওখৎপা
থাইনরগা হেনগৎপা
প্রেমগী ঈথক হৌদুনা
পামু-চেংলৌ মুংশিবা
চিংনা-চিংনা য়েংজরে ।

পাত্তা শাংগী থরোম্ন
চন্দ্র-থাজা-পাখংবা
অহিং মাঙ্গৈথোং সিন্দুর
অমৃত পুকৈ-লিংবগী
থৌজাল-মিংয়েং ফংবদা
অরা-অনা কোক্কুনা
মুংঙাই-ঈপাক তাওখরে।
হৈনৌ-পাম্বী য়াইফবা
সনা-কোম্ফু রেম্বগী
য়াথং কোঙ্গোই ঙাক্কুনা
তুংগী শকওং তম্বগুম্
মপাল চুমনা শাত্তোকলে।
মাধবী লতা কৌবিনা
খুৎপাঙ্গ চেৎনা কোন্দুনা
থংলেন-মাপচিকনবু
চিঙ্গোই মপাউ তম্বগুম
পামেল হৈনৌ পাম্বিদা
য়েৎনা য়েৎনা শাচ্চরি।
নুংশি-মপাউ তাবদা
পুকনিং ঙাবা উৎপগুম
তোঙ্গনা কোকপু নোম্বিরি
মলয়া নুংশিৎ নামিবা
তোঙ্গনা তোঙ্গনা হুম্বদা।
মাধবী লৈরাং অপোম্বা
মকা ফন্না শাত্তুনা
থংলেন পামু থোইবগী

অতিথি-খোইমু লাকপদা
পামু তেংবাংজহনা
অতিথি-পুকনিং পেন্নবা
লৈরাং-লৈহি কচ্চরে।

বসন্ত-মুংশিং খোঙ্গীতপ্পা
হৈনম লৈনম লোঙ্গীননা
প্রকৃতি-রাণী কৌবিগী
সনা থোগল তৌরকলে।
কেগে মোইরাং লৈবাক্কী
শানৌ নাহা খিবিক্কী
থমোই তেন্না থাহনা।
নূরা পাথং খিবিকনা
মথুম মরাং হৌত্তনা
মাগী থবক থমনবে
লৈরাং তাননা হোৎচিল্লে।
অপোম্ব' লৈবাং উবগা
হয়েংগী শরুক তমলমই।
অশাৎপা লৈবা অহনা
ওসিগী শকক থু হনা
শানৌ-লৈতেং ওইনখি।
"শক্কী মথৌ শংলেদো"
অম্ম হাঙ্গনা নিংনখি।
ফংহৌদবা শানৌনা
"ওসি লাইবেন নোংজাদা
চেংলৌ শককম মরাঙ্গী চাঙ্গ
পামু-নাক্তা ফমনিংদে

শামান-লেংমান তিমিংবে"
অসুম হাঙনা খল্লখি ।

মোইরাংগী লমদম অচৌবা
ভুমনৌ মপাল শাংপনা
কীঙৌ ফৌগুম নিংথিবা
মাইগৈ অমা য়েংবদা
লুপনা ইশং শংথিবা
মুংশিংনা লিরি শিংপদা
ঈথক হৌবগুম কজবা ;
উনা পয়েং হৌপ্রিবা
য়ানা মাইগৈ শংপ্রিবা
অঙৌবা লৌবুক ময়াঈদা
অশংবা লৌরি লৈবদু
অঙৌবা ফীগী ময়ক্তা
অশংবা তোরয়া থোকপগুম
য়েংবগী শেনবা নাইদরে
কজবা মপা লৈতরে ।
অয়াং পাংনা য়েংবদা
চাংজৌ মিৎয়েং তামপ্রবা
লমলেন লোক্তাক নিংথিবা
মুমিৎ-মঙাল য়ৈবদা
মিৎ থকনা লংলেদো ;
মলয়া মুংশিং হুম্বদা
লাইজ-ঈথক হৌবদু
অগোই হৈবী মুপীনা

অগোই থেকনা শাবগুম
পুকনিং হুনা কজরে।
নোংচুপ থংবা ওঙখৈদা
থাংজিংনা ওমখৈ লেপ্লিরে
মাপুমানবা, মে-মানবা
অঙাং-অমু-অশংবা
মচু মচুগী উনানা
ফজবা লৈতেং থোন্দুনা।
মথা থংবা মাইগৈদা
লাইগী খুয়া তাল্লিবা
মুনি শিংগী মতৌগুম
শিঙেল লৈরাং খিবিকনা
খুবক হাংদনা শাংলবা
তাউজিং হৈপাল খিবিকনা
মহৈ চুমনা পাল্লিবা
লোইবি কয়া লৈখিদো।
মোইরাং তুরেল খোঙৈতম্বী
কেগে মোইরাং ফাওতুনা
মথা-লোইবী মপাউখোল
অরাং ওমখৈ লোক্তাক্তা
চিঙ্গোই মপাউ তমলরে।

বসন্ত লমলোঙ্গ-চান্নবা

খোইমু লাবা অমোমনা
খোনথাং শুবা কোকিলনা
অনৌবা লৈহি চুপ্তনা

অনৌবা চিঙ্গাক কংতুনা
অনৌবা ভাবতা তাউতুনা
অনৌবা খোঞ্জেন থারকলে।
মুংশিংনা উরু শিংপগী
খোঞ্জেন অতু তাবদা
বৃন্দাবনগী উমংদা
মুরলী খোঞ্জেন ওইরেদো।
মাসি পূম্বা তারগা
মাসি 'পূম্বা উরগা
রাখল কবা মীশিংনা
কোলোঈ-ম্রাইফরেম্বগী
চেংলৌ মাংদা উজরে।
শাবি কোলোঈ খোঞ্জেম্না
পুকনিং লাকওমদববু
শামু লমশা ফাবগুম
কোঙোই-কিশি হুকথরে।

পুকনিং-য়েন্নৌ হুনবনা
চাংজো মিংয়েং তামগ্রবা
প্রেমগী ঈপাক ময়াঈদা
নিংনবা-চৈঙাক ঈন্দুনা
নিংবা-হিদোম হোন্দোকলে ;
খাইনবা মুংশিং লাকপদা
পেন্দবা-ঈথক হৌতুনা
মাইগৈ শলাই থংখিত্রে।
বসন্ত মুংশিং নামিবা

থোইমু লাবা-খ্বাংজেংবা
কেগে মোইরাং মচাগী
থমোইগী লাইয়ুম অতুদা
অথোবা তাবু ওইখরে।
তেন্না থাবা নাদ্রবা
তানা লেংবা কিদ্রবা
মোইরাং-পাখং অথোবা
বসন্ত-তেন্না থাবদা
পাঙ্গৈমা পুকনিং থুকখরে;
মোইরাং লৈমরোন তরেৎসু
পুকনিং মরাং হৌখরে।

তোনু লাইজিং লেম্বী কাব্য

অনিশুবা ঈথক

লৈপুন শেম্বা

কাইরেন থাগী থানিন্দা ওসি লাইরেন নোংজাদা
অয়াংলৈমা উমংলাই-কবোক চাইবা মুমিংনি ।
অয়াং-লৈমা-লাইমনাই কুমাবগী মরানয়াই
কুমজা খুদিং তিনহুনা কবোক পোকফম ওইবনি ॥
মুমিংনা ময়ুম চংনিংবা মুংশা নেমনেম শাবিবা
হৈনম, লৈনম পুহনা মলয়া মুংশিং নামিবা ।
তপনা তপনা শিংলকপা লৈরাং মকা ফল্লকপা
মুমিদাংরাগী মতমনি মীগী পুকনিং মুঙাইবা ॥
তিংদা য়াংদা ফজবী থাজ মানবী, তথোৎপী
মোইরাং-লৈমরোন তরেৎমক ওমনা লাকলে, তল্লরে ।
থাবল ফবা অহিংদা শংবানবা অসিদা
থরানমিচাক ময়ামনা থোকপা মতৌ ওইররে ॥
বসন্ত-মুংশিং ফংলবী কামগী তেল্মা পাল্লবী
পাইমা লিংজেন কল্লবী মোইরাং-চম্মু খিবিক্তো ।
শামান লেংমান তিনবদা লাইগী কবোক পোকপদা
রাহৈ কারন চয়দে পুকী রায়ম কোংদোক্তে ॥

লাইগী সেবা শোঙ্গখিনি রাঙাং-তিলাং চোংখিনি
অসিনা লাইনিং ওইদুনা থন্না ই য়াওনা হোংমরি।

মতম জাঙা অসিদা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা
কদেং থাংজহনবগী পুরানিং য়াওনথোইরকলে।

পাথৌ লমলোই চান্নবা কেগে মোইরাং অওবা
মোইরাং ঙাক্লংহনবগা থাঙ-লৈকাই কোইরকলে॥

অস্থম অস্থম লাকপদা কুমাবগী মথুমদা
অমুক-থোকপা-মুমিংকুম পাখং আন খুলুরে।

মোয়াংথাংগী মরুপসু লৈশাবীগী কাংবুস্থ
থরাই য়াওনা নোমজুনা কবোক পোকপা হোৎনরি॥

শরৎকী অহিং অরুবা অতিয়া-লাইবক শংবান্বা
থরানমিচাক মরক্তা থানা লৈতেং ওইবগুম।

কুমাবগী মথুমদা লৈমশিংগী মরক্তা
তোম্বু-লাইজি লেখীনা হদান ঙাশ্না লৈতেংই॥

অঙান-থাজ থেংনরে মিংফম মরি তিন্নবে
থাংজিংনা লৈপুল ওইহল্লে মিংকম হোংবা য়াদরে।

মাঙ্গথোং অনি ঙাংশিল্লে থমোই নিংদোল চোংনরে
হকচাং তুবু চুংদুনা তাংবা অসি মমখরে॥

ঙাইহাক পুংজা লৈরগা কদেং থাংজহনবগী
পুকনিং-লৌশিং লাক্কুনা শকফম থুনা হপ্পিল্লে।

পুকনিংগী রারোল অথুপ্পা থরাই হেন্না চান্নবা
মতাও ঙাকংহনবদা নাপচিকনা থংহল্লে॥

শমলাং কোঙ্গগকনন্নিবী থম্মৌ হেন্না মাল্লবী
নুবা তোম্বু উবদা পুকনিং কাঙমদদুনা।

কবোক পোককম লমদমদা লৈমশিংগী মমাংদা
ফাগিজ্পাই তৌরকই লমচৎ থন্না কাঙ্গদুনা॥

তোন্নু-লাইজিং-লেম্বীনা
ইকাইখিবী উরিগুম
মাইথোং থম্বাল ওাংশিন্না
বসন্তগী কোকিলগুম
ইংনা-মেংবা খোঞ্জেল্লা
চিঙ্গোই মপাউ থুমলক্‌ই—
"মোইরাংগী তাদা অনিমক।
লাইগী কবোক পোকলিঙৈ
কাগিজুগাই তৌহৈদে।"
নুরা মপাউ তাবদা
কদেং থাংজহনবদো
ইকাই-সেঙ্গোঙ্গী হাংতুনা
চিঙ্গোই পাউথুম পিদরে।

নুমিৎনা চিংয়া থাংলবা
তময়া কোরি চেল্লবা
মীগী কুচ্‌ কঙ্জনা
লৈহাউ-লৈরেন মাল্লবা
মতম অত্তু ওইবদা
কবোক পোকপা লোইতুনা
মোইরাং-লৈমা থুমনমক
ময়ুম পাংনা হন্নখি।
নুবা তোন্নু ইবেম্মা
লৈরাং পোমশাংনবীস্ত,
ওান্নু লৈদা চৎপাগুম
মন্নাইকাবা শামুগুম

কাইন-কাইদা থোকলমই।
মনাই লাইজিং মানবীনা
তুংদা থোগল তৌরকই।
নূরা পাখং উমরে।

কদেং থাংজহনবনা
তোম্বু-লাইজিং-লেম্বীদা
নোংগৌবী-ইথৌ-লাংবগুম
চিঙ্গোই মপাউ হংলকই :—
নূরা-লৈরাং ইবেম্মা।
থৌখংদবা হাঙ্গীগম্বু
লমচৎ খংদে শোনগম্বু
নূরা নপাউ হংজগে।
কেঁলোঙ্গী করি থোনবগে ?
পম্বৌ পলেম কনানো ?
লৈকাই কৈদা লৈবগে।
নূরা নপাউ তারগা
পাখং পুকনিং ইংজগে।"

তোম্বু-লাইজিং-লেম্বীনা
চিংয়াদবু শাংলিবী
তময়াদবু য়াঙ্গোইবী
লমহাং-চৎপা মী শিংদা
পুকনিং-আশা পিনবী
পুকনিং ইনৌ নৌহনবী
তামনাগুমনা খুমলকই :—
"মোহরাং ঙম্বা ইবুংঙো।

নূন্না ঐগী ইম্বিংদি
লাইজিং-লেম্বী কৌইদা ;
মোইরাং-লাইজিং-লাকপনা
নূন্না পোকপা পম্মৌনি ;
তোন্নু লৈমা হাঙৈরগা
নূরা পোকপী পলেমনি।”

কদেং থাংজহনবনা
পাঙৈমা ন্নুংদা খল্লকই :—
“ফজৈদকো ইবেম্মা !
য়েংথগী পেনবা লৈতরে—
মালংবনা হুম্বদা
থম্বাল-লৈরিক মতৌগুম
খাইথাঙৈ খাইথাঙৈ তৌরিবা
বোইতক তাবা শমলানা
কামগী লিরুং ওইরগা
মোমোন নোকপা মিনোকনা
লিকং লিরি চন্দুনা
মিৎচি-তেন্না কান্নসে
পাখং ঐগী থমোইদা
তেন্না থুম্বনা পাল্লবে।
মলবা ন্নুংশিৎ ন্নাইফবা !
নূন্না থোগল কংহুনা
তাউজিং হৈনম নিংথিবা
লৈন্নাং মনম ন্নুংশিবা
নশা থিৎনা চূন্নগা

পাখংগী কাদা ওংলবা
ওন্থোকনা মুংশি হৈতেদো ॥
নুয়া তোম্বু নহাক্তি
পাম্বোম তাবু য়েংবস্থ
অনম্থনা তমজবা ;
খুবোমতাববু য়েংলগা
লফু লেম্প্রা মাল্লিবা ,
কোক্তা হোৌবা শমলাংস্থ
নিংছু তমনা হাইথবা
কপলাক য়োৌগে তাল্লিবা ,
কামগী লিরুং তমজবা
পিশুম অনি নিংথিবা .
মিম্না থম্বাল অনিদো
য়েংবগী পেনবা নাইদবা
চেংলৌ তমনা য়েংবস্থ
থানিল-থাজ মাল্লিবা ।
তেনবা কৌবী চেকলানা
হৈদা নোমনা চৎপগুম
নুবা শাজং য়েংবস্থ
নিংথিবা খিবিক তিল্লিদা ।
হৈবাং নতৌ য়েংলগা
খোইমু লাবা খাংজেংবা
থমোই নুংদা ওংজরি ।
তুবেল লাইজ ঈহৌবা
চাংজৌ পানা চেল্লগা
তুবেল ময়েং তাবগুম

পাখংগী পুকনিং য়াবসি
কনাদা ফোংদোকলুরগা
অরাবা মৈচাক কোকবা!"

তোম্বু—লাইজিং-লেম্বীস্থ

পাঙমনুংদা খল্লকই :—

"নোংশা চরামনরবা
মোইরাং পাখং অথোবা।
ওন্থোকনম্থ ফজেদা!
য়ারা খোঞ্জেন তাবস্থ
চাকনা শাবা কালেন্দা
চন্দন লাইজ খিকপগুম
থমোই য়ৌনা ইংঙিদা।
চেংলৌ শকপু য়েংবদা
তাইবং-থৌনা পিনবা
নৌনা-থোকপা স্বর্গ্যগুম
ওন্থোকনা পুকনিং হুশরে!
ননাঙ লাইবক-খিবীনা
নোংগৌবী কৌবা চেকলানা
নোংদোল লাইজ ঙাইবগুম
নুংশি—নপাউ ঙাইবদি
মতম য়ামনা কুইরেদা।
শাবি ইবুংঙো মুংশিবা!
কেগে মোইরাং লৈকোইবুং
তোমশাংনবী লৈহাউবু
পামু খুংনা হেক্তুনা
থংলেন নাদা চিনবিয়ু।"

মতম তাঙ্গা অসিদা

নুরা-মাঙ্গথোং শেমনরৈ
শানৌ-পুকনিং থৌনরৈ
তোম্বি থম্বাল মানবীগী
নাচোম মনম ফংডুনা
খোইমু অমা পাইবকই।
থাংজহনবা অঙম্বা
খোইমু যেংনা হাঙ্গিরকই
"খোইমু! ন না ঙংলবা
লৈরাং থিবা লাকপরা?
মোইবা পাখং ঐহাকসু
কেগেগীদি লৈকোইবুং
মোইবাংগীদি লৈতম্বুং
অম্বন চাউবা লৈপাক্তা
এগী পুকনিং তাজবা
লৈরাং অমত্তং উজবে।
পাখংগী মথোক কাবগা
লৈবাং মাগা শিন্নবা
য়াৎন যাবোহ্ থংদরি
মপুগী নবা তাদরি।"

তোম্বি-লাইজিং-লেম্বীনা
থম্বাল য়েংনা হাঙ্গিরকই :—
"মুম্বিৎ মাবু য়েংডুনা
মকা ফম্না শাচ্চবা
থম্বাল কৌবী লৈমুংশি

মমাই মকনা থনম্বা
ইবুংঙো নুংশি হৈতেজা ।"

অতুগী মতুং থোকপদা
কদেং থাংজ হনবগা
তোম্বু লাইজিং লেম্বীগা
পাঙ্গমা য়ারেপ তৌনখি :—
"চেকলাগুমনা চংকতাসি
পোম্বীগুমনা চার্কাতনসি ,
লৈরাং নাচোম শেম্বগুম-
পুন্না লৈনম শন্দোকসি ।"
পলেম ঙমসি য়াশকনৈ ,
পম্হৌ ঙমসি তেমশিংনৈ ।
মোহরাং পাখং অনিদো
অরা-মুংঙাই যান্দুনা
ময়ুম মাংগৈ পাংলকলে ।
লাইজিং-লাকপা মমোমম্ব
মনাই লাইজিং-মানবীনা
তুংদা থোগল তৌদুনা
মরানয়াই মাইগৈ তমলকই ।

য়াংলৌ লম্মখাং'তুদা
লাইজিং-মানবা মনাইনা
চিঙ্গোই মপাউ হাইরকই :—
"হৌজিক মতম অসিদা
বসন্ত মখোং পাল্লেদো !
বসন্ত মূর্ত্তি চোংথোকলে !

কনানা খংবা ভমগনি
বসন্ত থুংলেম চংবসে !
বৃন্দাবনতা নত্তেদা
ঋাহো, যুগোল চাকতাবা
কোকিল জুরা খোংলিবা
তেনৱা পুংবা তোংলিবা ।
কেগে মে'ইরাং লৈপাকসু
শেন্দা, অনি চাকতাবে
চোঙভা যুগোল চিন্দিল্লে
খোইনিং পোৎমা খোংলেদো ।
মীগী লমনা হেন্দবে
অল্লাংপা কৌবা লৈতবে ।"

তোন্নু-লাইজিং-লেম্বীনা
অশুকপা ঈরেল-মতৌগুম
ই না লেম্বা খোঞ্জেল্লা
মানবী যেংনা হাঙ্গৈরকই ঃ—
"চানবিহৈবা ঈশ্বরনা
তাংবংপানগী পোৎলমসি
মশি, গুনা শেম্বীবে ।
জীব পানবা থুদিংগী
কাম পিরে মশাদা ।
কামনা মরম ওইদুনা
থল্লাই পানবা খিবিকনা
জগৎ অসি থল্লেদো ।
মতৌ অম্লম তৌদুনা

হৌজিক ঐখোই পোকলরে।
কামগী পম্বাং হাইগৎপা
প্রেম হাঙ্গনা কৌবনি।
থম্বাই পানবা অতৈদি
কামনা পঙ্খে থেংবনি।
প্রেমগী মপু ওইবদি
মীতনা ওম্বনি।
অতুম অতুম ওইনমক
মীম্ম ফংবা ঙম্মনরি।
প্রেমগী লৈবাক য়েৌববা
খমম্মু থুনা য়েৌখবে,
লাইগী লাইরক তিন্দুনা
মুংঙাইবতা যংখরে।
প্রেম হাঙ্গবা অসিনা
তাইবং পান্দা লৈবনা
তাইবংবাম্না হিংবনি-
প্রেমনা মরম ওইত্তনা
মুংশিং তওনা শিংপিবি।
প্রেমনা মরম ওইত্তনা
মুমিৎ থাম্ম থোকপিবি।
প্রেম অসি লৈবনা
লাইজ থম্বাই হিংনরি।
প্রেমতনা য়েম্মোকলি
মহৈ চুম্বা উপালনা
তাউজিং হৈবাং খিবিকপু।
কামগী মওং খংদবা

প্রেমগী মশক খংদয়ে ।
কোলোঙ্গ য়াইকরেনবগী
ময়াথংবু ঙাক্কুনা
অন্নাংবা থাক্তা কাবনা
নমু পোংওইবশিংগী
তৌগদবা মথৌনি

মানবী মপাউ খুমলকই :—
"হোঙ্গ ইবেম্মা । খ জবে
জবা কাঙ্গবা ঐখোইদি
লাইগী য়াথং ঙাকত্রেদা ।
নবক তাবা তারেদা ।
(লাইসি) মীচং-মাখাই নাইত্রেদা ।"

লাইজিং-লেম্বী খুমলকই :—
"রাকন্নদা মানবীও '
থাঙ্গজা থাঙ্গবুং নাইবোইদা
লাইগী কুপা লাকবি .
মবিংনা থুম্মুক শাবদা
জুবা কাইদবনিদা ।"
রারি শানা লাকপদা
মরানযাঙ্গদা য়োরকলে ।
তোম্ম অরা-পোথোকলে ।
তোম্ম-লাইজিং-লেম্বীদো
শিম্বা পুকনিং চংদয়ে
পলেম-নাক্তা ফমনিংদ্রে
পম্বৌ—কাদা চংনিংদ্রে ;

শিত্তেল লৈথোং চংহুনা
শিত্তেল মন্নাপ শানিংলে .
মানবী নাক্তা থমলগা
পাঙৈমা থোঙৈন্নাং কোকনরে

কপেং থাংজহনবস্থু

থবক-লাঙ্গোঙৈ থাদোকলে ,
মোইন্নাং-ডাক্সংহনবগী
মন্নানম্নাঙৈদা চত্তুনা
পুকনিং ঈচিক হুন্নবে ।
মতৌ অস্থুম তৌহনা
তোম্বু-থাংজহনবদো
মতম কয়া লেল্লকলে
পুকনিং ঈহুন থোইহুমা ।

তোনু লাইজিং লেম্বী কাব্য

অঙ্গমণ্ডবা ঈথক

পুকমেন-পাউমেন্নবা

কদেং থাংজহনবগা
তোন্নু-লাইজিং-লেম্বীগা
নুবা পাখং অনিনা
নুরা মপাউ লৌনবা
পাখং-মন্না তানবা
থানম অঙ্গম ফাবকলে।
নোংমা কোয়ৌ নুমিত্তা
কদেং থাংজহনবগা
মোইরাং ভাকুংজনবগা
মোইরাং 'ঙম্বা অনিবু
মপু মোইরাং নিংথৌনা
সনা য়াথং কৌখৎলে।
মন্নাপ অনি তিন্দুনা
চয়ামনবা নোংশাগুম
কোন্নুং তমনা কাবকলে।

মপু মোইরাং নিংথৌনা

রাজ-দরবার শং তুদা
সিংহাসনগী মথক্তা
কত্রং-ফীশাং থাতুনা
নিংথিজনা লেংশিল্লে
নোংশা অনি লৈতেংব
কংলা দরবার-শং নিদো
লৈপাক মথক অহুম
খুংহৈবীনা শারবা
শাশা ভাশা য়েকখোংপা
ফীদা থারি নিংথিবা ।
উথাউ, নিংথৌ, লাইহিদাক
নাগেশ্বর, কঙ্গাহৈবী
ঈগুম ভাংবা অমুবা
লুপা-গুমনা ভোরবা
যুম্বী পরেং য়ুংলিবা ,
ফকলাং লিনা থারগা
লৈপাক নাম্না তৈত্নুনা
লৈমু মথৌ শংবদো
উখোংশিংগা পাবদা
অতিয়া-খোকপা চুমথাংগুম
য়েংবগী পেনবা লৈতরে ।
অগুম-অথৌ খিবিকনা
সনা থোগল তোত্নুনা
ঈকোঙ্গ-কোঙ্গনা কম্বদো
চিংগী-নিংথৌ হিমালয়

চিংশা ময়াম লোঙ্গনবা
পৃথিবীদা ভানবগুম
অমরাপুরী কোম্নুংদা
লাইগী নিংথৌ শোরারেন
লাইয়াম সভা চংহুনা
নিংথৌ-থৌগল তৌবগুম
ফজবা পান্দম লৈতরে।
ফীজং খল্লি থকলোমদা
পশোং ফীওৌ ফজবা,
সিংহাসনগী মপাদা
খুংহৈবনা শেনথবা
নিংথিজবা চান্দুরা।
শেকপিল মথোন মাপলহু
মনাইশিংনা থৌগল্লি,
নাইনা ইকোঙ্গ কোঙ্গহুনা
নিংথৌ-সম্পদ রাক্তনা
কনা কাগোক থৌগল্লি,
চানব খুদোং খঙ্গার।
ওন্থোকপনি নিংথৌগী
রাংপা কৌবা লৈতেদো!
সভা মীয়াম অহুদা
মুংশিবা থাউ চাইরিবা!
লৈনা শুনা থেংগ্রিবা।
মনমনা পুকনিং হুথরে।
সনথোংদা লেপলিদো;
সংহার শিব মূর্তিগুম

তাশোন খুত্তা পাঙৈহুনা
থোং-শংবা অহুনা ,
অকিবগী মশকনি
য়েংবা তুজুংলিবনি ।
দরবার য়োবা লশ্বীচু
মনম হাপ্পা থাউতনা
উফুল-লৈরিক ফারিদো ।

কেগে মোইরাং ফমনাইবা
পাখৌ অনি থুংলরে ।
মখোই অনি চংহুনা
মপু সনা চরন্দা
ঙক্তা চৈর থোংহুনা
হন্না হন্না খুরুমজে ।
অহুগী মতুং অহুদা
খুবাং তরা লোন্দুনা
নিংথৌ খুয়া খাহুদা
চিঙ্গোই মপাউ হঙ্গচৈ:—
"লিকলাই ইবুংঙো য়াইফবা !
ননাই ঐখোই অনিবু
সনা য়াথং কৌবিবা
সনা নোংদম তম্বিরো ।'

মপু মোইরাং নিংথৌনা
সনা পুকনিং তাকলকই :—
"তয়ুম অচানবা অনিমক !
নিংথৌ থাম্ন পান্দরে

কংলা উক্রোং হোংলসি
ঙাহোংলসি চাক-হোংসি ।
ইম্নুং শোরা ঙাল্লগা
থাংজ্জহনবা নহাকনা
লমলেন তোবর্বুং কুমহনা
মোহবাং খুন্তক পুহনা
য়াবৌ চামা নিপালবু
তয়ুম । খুনা কাকরো ।
ঙাকু-হনবা নহাকনা
মোইবাং খুনথা পুহনা
লমলেন লোক্তাক কুমহনা
লেমলৈ চামনিপালবু
এশিং শুনা ফংবকউ ।"
নিংথৌ-মনাই আনমক
ননশা-লৈমাঙ্গনহনা
মপু-সনা-যাথংবু
কীগাংদ শানা যাল্লগা
মল্লানযাঙ্গদা কুম্মকলে ।

কদেং থাংজ্জহনবদি

মরম লমলেন মদাইমক
তোম্বগীদি মখুমদা
খোংলৈ খুনা লাক্লুনা
চিঙ্গোহ এপাউ তমলকই :-
"নুবা তোম্বু হৈবেম্মা !
হয়েং ইম্নুং ঙাল্লগা

সনা-য়াথং পূন্না
লমলেন তোৱর্বুং কুমহুনা
য়ায়ৌ তাঁনবা চংকনি;
পাখং হৈনা ইতুংদা
পানা-লমলান চাগন্নু
পূকনিং অনি লোংগন্নু।"

য়াহি অসি তারগা
তোন্নু-লাইজিং-লেম্বীনা
পান্মু-কাদা হঙ্গৈচেঃ—
"শাব 'বুংস্তো ম্নুংশিবা।
কেগে কল্লক য়ামইদো
মোইরাং নিম্না চাউইদো
পন্থৌ-খ"দা খংহনসি
পলেম তাদা তাহনসি
ইপাম-লাইদা হৈথাসি
ইপুম-লাইদা হৈকংসি।"

কদেং থাংজহনবনা
হুংশুক ম্নুংজা খুমলকই:
"নুরা মোমন্থু ইবেম্মা।
নশাবি পাখং ঐহাক্তি
পন্থৌনস্থু লাক্কোন্দে
পলেমনস্থু নাউয়োক্তে।
পাখং ঐনা লাকলগা
য়ারম কোম্না খংহনসি।
নূরা তোন্নু ম্নুংশিবী।

চেন্নিং-পোংপু চেন্নুনে।"

তোম্বু লাইজিংলেম্বীনা

"শাবি 'বুংঙো মুংশিবা।
নিঙোম্না ইহোং শাবদা
য়ারৌ শকপু য়েংজগে
য়্যরৌ শঙাই অমম্বা
পাম্মু থুংনা কারকউ।
শাবি মাঙ্গ পাম্মুবা'
নিঙোন-রাশক লোঈননা
তোমশাংনবী লৈহাউবু
পাম্মু নাদা চিঙ্গগে।
ননাও থমোই লকাদা
মুংশি-মিংবু য়েনগ্রবা
পুকনিং অনি লোংত্রবা
লৈরাং তেকনা লৈশম্বু
নিঙোল-রাশক কাঈরবা
লৈবাং খুইনা মাংসম্বু।'
রাহৈ অসি হাঈতুনা
লৈহাউ নাদা থেংচিঙ্গে।

কদেং থাংজহনবনা

হরাও হবাও হাঈবকই :—
"লাইজিং লেম্বী। নহাকপু
ঙসি লাইরেন নোংজাদা
সতী হাঈনা কৌরমগে
পাখং মঙ্গল ওইনবা
ইবুধৌ থাংজিং খুরুম্মু।"

কয়েং থাংজহনবনা
পূকমেন-পাউমেন লোইরগা
ময়ানয়াঙ্গৈদা হল্লকলে।

ইন্নুং ভম্না ঙান্নুনা
তম্না নুকোঙ্গী চারগা
লাঙ্গোই 'থক্তা তোংখৎলে।

খুম্থক-মচা পুহনা
স্বরগী কীবম য়েংলগা
তোর্ব্বুং তমনা খোংশাল্লে।

খুম্থক-মচা   পয়েং পয়েং
তোর্ব্বুং-মাঙ্গৈগে পাওডকলে।
য়েৎগা য়েৎকা   ওঙ্গৈগা ওঙ্গৈগা
খোংথাং চপ্‌ চপ্‌ মায়রে॥
থাংগা থাংগা   তাগা তাগা
লম্বু, লাংশোই পাঙ্গৈবদো।
পয়েং পয়েং   ইরুং ইরুং
মীগী মনিং থকলেদো॥
কীমু কোয়েং   কীমু কৈজোম
মাঙ্গৈগে ইমম মমথরে।
নোংশা ললাও   লানমী মপাও
অতা' পুকনিং থুকখরে॥
মাংদা পুংজাও   বাশি মখোল
মীগী পুকনিং থোগৎলে।

শাবু কিবা লানবু খৌবা
কনাগীম্ব লৈতরে ॥

তেন্না থাবা তানা লেংবা
নাবা, কিবা লৈত্রবা।

কৈগী মচা মোইরাং মচা
চংলি, অন্না 'থংত্রবা ॥

চিংবু লেম্বা থৌনা কবা
কদেং থাংজ হনবনা।

লাঙ্গোই তোংলে মাংদা থারে
অকি-অথং লৈতনা ॥

ওঙ্গৈদা থাংলাং য়েত্তা তাশাং
নঙ্গল-তেন্দোং পোশিল্লে।

ওঙ্গৈনা খুঙ্জি যেংনা লিরু
খুক্ত-খুংলাই পাঙ্গৈশিল্লে ॥

কোক্তা কোয়েং কত্রং ফীশাং
নিংথিজনা যেংশিল্লে।

খোংদা খোংতোপ খুত্তা খুদোং
ফীমু ফৈজোম থোক্লিল্লে ॥

খুজি খুত্তা নাচোম নাদা
তান্না পাম্বোম লৈতেংলে।

ময়েক মখোং কত্রং ফুরিং
হকচাং লৈতেং ওইনরে ॥

সনা পুমহৈ কুদাম পরেং
থরানমিচাক মাল্লেদো।

য়ামনা বজৈ কর্ণিক মাজৈ
লাইগী সেনা পত্তিদো ॥

ঙাইহাক পুংজা লৈরগা
মোইরাং খোরি কৈথেল্দা
থাংজহনবা য়োৗরকগে।
মোইরাং লৈমরোন তরেৎনা
কদেং থাংজহনবদা
হৈ-লৈ পানা কা
অথেন পোৎপু কংলরে।
মোইরাং থাংজহনবনা
লুপা-তাঙ্গা পিরমই
সনা-তাঙ্গা য়েল্লমই।
অতুগী মতুং অতুদা
তোর্ব্বুং লমজাউ পাঙঙকলে
ঙাইহাক পুংজা লৈরগা
লমলেন তোর্ব্বুং লময়াইদা
খুম্থক-মচা লোঙ্গননা
থাংজহনবা থুংলরে।

তোনু লাইজিং লেম্বী কাব্য

মরিশুবা হ্রথক

শেৎন-খাইনবা

মতাং নত্তে পম্রিবা
লিকলাই ইবুংঙো লৈমাবা
মপু মোইরাং নিংথৌদো
শাগৈ থাউমৈ থান্দবা
লৈরাং চারা পোক্তবা
রারম অসি খনবদা
সনা পুকনিং য়াওল্লে।
"তালোঈ অমা থিরগা
তাউজিং মহৈ য়াম্লবা
ইবুধো থাংজিং খুরুমগে"
অসুম হাঙ্গৈনা খল্লকলে।

ঙসি নিংথৌ য়াইকবা

শক্রিক থবা থোকপগুম
কংলা দরবার লেংথোকলে।
পাত্র মিত্র থিবিকনা
ইকোঙ্গী কোঙ্গনা থৌগল্লে।

নিংথৌ সনা পুকনিংদা
অনৌবা য়ারম অমগী
য়াথঙ-ইঙ্গিৎ উত্নুনা
সনা-য়াথং ভাইনরে

কেগে মোইরাং লৈমপু
সনা-য়াথং পিথোকই :—
'মোইবাং অকল অথৌশিং
নিংথৌ থার পান্দরে।

তয়ুম' চানবা নখোইনা
তালোঙ্গ' তোম্বী ওইবদা
মতিক চ'বা থিরকউ।''

সনা য়াথং তাবদা
মপু চাউবা নোংথোল্লনা
চরন থাদা হঙ'চ্চ :—
''মহারাজ ইবুংঙো।

ননাই চাউবা ঐহাকনা.
নিংথৌনা সনা চন্দা
য়োল্লবদা কনবিয়ু
লাল্লবস্থ ভাকপিয়ু।
ননাই চাউবা ঐহাক্কী

ইমোম অমা শাচ্চরি ,
মথক্তম্ণু শাত্তরে
মথাদম্ণু পোমদরে ।
কোন্সোঙ্গ লাইঙ্গিং কৌজবী
কেতুকী লৈরাং শাৎপগুম
তোমশাৎনবী ইমোমবু
থরাঙ্গ'থক্তা হাপ্পুনা
চবন খাদা কচ্চগে ।
সনা পুকনিং তাবরা
অমুক্তা মিৎয়েং তাবিব্র ।"

নিংথৌ শেনবা মচানা
সনা ইঙ্গৎ ফংতুনা
নপু লাইঙ্গি লাকপদা
সনা য়াথং তাউথরে ।
সনা য়াথং তাবদা
মপু লাইঙ্গিং লাকপগা
লাইঙ্গিং পোকপী মমাগা
থুংনা স্বর্গ ফংবগুম
মুংঙাইবা পান্দম লৈতরে
মশাবি-য়াথং পুতুনা
তোন্থু লৈমা মমানা
ইহোং শংদা চংতুনা
মমোম লাইঙ্গিং লেম্বীদা
সনা য়াথং তাউথবা

হয়াও হয়াও তাকউরে।
সনা য়াথং তাবদা
তোম্বু-লাইজিং-লেম্বীদো
আকাশ নিংথাইরকপগুম
সনজিংনা ননবগুম
য়াবা পন্দোল লোমথরে।

মিম্না-থম্বাল অনিদা
তরং লাইজ চেন্নকলে
মমোম পুকনিং থংদবী
তোম্বু লৈমা মমানা
অথেম য়াহৈ খিবিকনা
"ইমোম লাংলেন ইবেম্মা।

কবিগী পুকনিং য়াবগে?
কন্নিগী পুকনিং নৌবগে?

ইমা! নংবু পে'কচবা
মনি থুত্তা ফংবগুম
ওক্লোকনা লাইব° ফবনি

নিংথৌ কোন্দা চংজবা
লৈমকোন্দা তিঙ্গবা
চংনা লাই-রুম য়োৌবগুম
মীনা তানবা ফংদেদো।

নপল নোংথোল য়াইফবা
চংথোনবা কৈরাক ওইবনা
থবক অসি থোকপনি।

ইমোম লাংলেন ইবেম্মা
চেংছি শম্বাল লাংউরো ,
ইরু শাদেংঙ্গহুনা
লৈমকোন্দা য়োৎপসি ।
সনা য়াথং শোঙ্গৈরগা
নপল মোইরাং অঙম্বা
রাজ দণ্ডি তাগনি।"
হয়া হয়া হাঙ্গৈরকই ।
নিঙোল পুকনিং খংদবী
তোম্বু পোকপী মমাগী
নুংশি রাহৈ খুদিংনা
মোমম্ন লাইবক থিবীগী
থমোই-লবা নুংদদি
অথোবা তাণ্ডম থোকখরে
অত্তম অত্তম ওইনমক
শম্বৌ য়থং শুনবনা
তোম্বু-লাইজিং লেম্বীদো
হিকনা হিকনা কপ্পুনা
নপল-হিদেল মকুমফম
মৌবি-পোক্লেক-থরাদা
ঈরুজবা কুম্মকলে ।
তোম্বু লাইবক-থিবীনা
অসুম অসুম খনবদা
কংগুম ইতাও তাউরকলে

লংলা লংজিন পূনখরে ।
শত্রং-পোকম শিনবগুম
নিঙোল মানা শিঙবা
লৈরাং পরেং তৎপগুম
লৈদা চোইনা তাখরে ।
খমোই-নুংগী মণিবু
ওসি য়ুমাং অমদা
খংহৌদনা মাংখিবা ।"
র‍াহৈ অসি খনবদা
তোম্নু-লাইজিং লেম্বীগী
খমোই লৈরাং অথোৎপা
লমজাউ খোন্না চাকলকপা
খাম্বী গুমনা চাকখরে ।
মংদা সনবিক শিবগুম
থোদো অসি উবদা
তোম্নু ইঙক ঙকখরে ।
লাইজ ঈপাক মথক্তা
তোম্নু চেংহি হৈদোকলে ।
চেংহি শখাল লাংদনা
মরানয়াইদা কারকলে ।
খমনিং থোংদা থোক্লুনা
মপল ইংখোল চংলুনা
শিঙেল লৈগী লৈখোংদা
তাউজিং হৈগী হৈখোংদা
মমাঙ্গ তোর্ববুং ওল্লগা
খুদাং পিকম তৈত্নুনা

য়াংম অসি হাঙৈরকই
হিকনা হিকনা কপলকই :—
"শাবি ইবুংঙো লুংশিবা।
নিংথৌ মনাই অঙংবা
নুরা ননেমমচাদি
নিংথৌ পাউনা বনবনা
পন্থৌ য়াথং লুবনা
লৈমকোন্দা চংলেদো
তাঙথক্তা লৈ হাপ্পা
লৈবা লাইদা কংপেক্পম
পামু খুযা থাদবু
নিঙোল যাইবা কচ্চং
লুংশি অবেম্বা লাবেদো
মতম চানা হেকত্রগ
লুংশিং নোংলৈ লাকপদ
তেবা চোইনা পাংবগুম
বন্দা শাংপা লৈরা দা
পাখং লাবৈ ওকলম্বা
থোইমুপী শরুক ঙকবগুম
নিঙোল দশা থোকখবে।
পামু নংদি উলিবোই
লুংশি নংদি তারিবোই
নুমিং থোকপদা থোকজিবী
নুমিং তাবদা তারিবী
(নুমিং মাঙৈওন য়েজবী)

লৈরাং মুমিংলৈ-গুম্বী
মোমনু লাইবক চাউবীবু
ঈশঙৈফুদা ঙা হাপ্পা
লেমলৈ মীখুৎ চনবগুম
নুরা পান্দম ওইখরে।
নিংনবগী ঈপাক্তা
লেরাং থম্বাল শাংপগুম
নখোং থম্বাল অানগী
সেবা ফংনি নিংদরে।
শাবি মাঙ্গা পামুবা
নরা ননেমচাদি
পাঙ্গল শোনবী নুজানি
ননাও উপায় লৈজদে।
চরন খাদা কৎখ্রবা
ননাও য়াইবী অসিদি
পাখং ছায়া ওইহুনা
পামু থোগল তৌজগে।
থরাই য়াওদ হকচাংসি
নিংথৌ কোন্দা লৈশনু
লেমাকোন্দা তিনশনু
মুংশি রারোগমুকো।
পামুথোইবা নহাক্তি
পাউজেন য়ারো ফানবা
লমলেন তোর্বুং লময়াইদা
রাবনদি পন্দোল লোম
মুংশা মৈচাক খাংজিনি।

মলয়া নুংশিৎ নামিনা।
নংনা লৈনম পুদুনা
তপনা তপনা ওম্বসে
থাইনা মৈচক ফংলবী
নিঙোল ঐগী ওকমদা
লুখুম তাব ওভবেদো।
নুরা পুকনিং পেলহনবী
নিংথিজবী লৈরাংশা।
নিঙোল ওতৌ য়েংদুনা
নখোয় হি-হি নোকপরা?
নখোয় নোকপা ডবগা
নুরা রাবা হেঙ্গৎলে
পামু মাংদা থাবিদৈ
নুংশিবগী থোয়রে
লৈরাং নাচোম শেমনবা
হত্তা। নবু খিবনি।
হৌজিক মওম আসদা
লৈবাং নতৌ যে বদি
অরা-মৈচাক হেঙ্গৎলী।
পামু-নুংশি খুদগা
নোকামিন্নসি ইওবোহ।"

রাহৈ অসি হাঙ্গৈদুনা
হিকনা হিকনা কপালডৈ
তাঙ্গোই অমা পাইরকই।
তোম্বু-লাইজিং-লেম্বীনা

তাঙোক্ষ মপাউ হংলকই ঃ—
"চিন্না'ইদবী নহাকপু
লমলেন তোর্বুং মবময়াঙ্গী
পামু ন'ক্তগী লাকপরা?
সুংশি মপাউ খ'ব্বরা?
চিঙোক্ষ মপাউ তাম্বযু।"
মমাঙ্গী, তোববুং গুন্দুনা
পামু লমদম য়েংলকই।
লেচিন্নাদ হনমমন
পামু মাঙ্গীগো যে নদি
পামবাদ উদবে।
মিনা থম্বাল আনিদা
তয় নাইজ চেন্দুনা
খুদ' পিফম তেত্তুনা
হিকনা হিকনা কপালডৈ
লাইজি মানবী থেংনবে।

ম'নবা থোগাক নাইদনা
নবেম্মদা হাঙ্গীবকই ঃ—
"দোলাই তো উ হাঙ্গীবগা
লৈকংলদা চোংথবী।
নংগী লাইবক ফবসি
মীনা তম্বা থোকপরা?
লাঙ্গীববনা মখুত্তা
মণি মুক্তা ফংবনি।
নিংথৌ তালোঙ্গী গুইত্তুনা

সনা খো নেংনগান
কপ, খ'লগ্নগ'ন।
অরাং-অপা লেংন
পুংজ'ংজনা পানগান।
লেপাক চঙ্খা লইগনা
ৎরাংজি খাবুম লমগুরো
নগী খা ভগনবু
কাৱ য়েনা পানজবা
নিংথৌ মগাং লাং থান
থা জগনবী লৈবদো
ওলোকনা পুকাং লাচবে
লেন কনথু লহনা
লোংজানি দে নশকবে

থোম্বু লাইজি লেখ-
নিঙ্গা খঙাল আনদা
ওর লাইবে লেনবদো
চ'ব ষনা তেলোকলো
নানবা লেনগা দে না
চিঙোই নপাজ থুমিন হ
হাঙ্গগো চবো নানং
পাম্বু চেংজো বজবে
শিনা থুম্না তাকপদাও
কামগী পঙ্খাং হাংগনা
প্রেম হাঙনা কৌবন
কামাদ ঙৈহকখিবান

কামদি হৈজখিবনি।
প্রেম কৌবী অচুদি
উচেক্‌ মনা পাইচুনা
মনা পাংবা উপালদা
মহৈ চনা পামেন্দা
থাঙ্গৈদা পিংগা তৌদেদো।
অকপা খোঙ্গী মসুংদা
হীয়া লনা লৈবগুম
প্রেম চাঙ্গৈবী অচুদি
মেমম থবা হৌনদে
মংঙোল-মাইথবা থিদেদো
অরা-অন খন্দেদো।
প্রেম লৈবা চিন্নশি
শগনৌ মাঙ্গনৌ হেক্কংলি
নামগী মথৌ ওইরনা
মীনি পুকনি কাইদোকম
প্রেম পুন্বা লৈবনি।
লৈবা খুঙ্গোক নংপশুম
মাইবী নংপা চমলবা
প্রেম-উবাশি থোংবনি
কাউজিং খুবা পাঙ্গৈরম্বা
সাইদা হৈরক্ক কংপশুম
পাম খুয়া খাদবু
মুঙা মাইবী নংখবে।
খোইমু কশি শারবা
নিঙোল পুকনিং তাদবে।"

মানবী মচিন পোমহুনা
"লৈজহৌরো অপংবী
মী-অপং লালওইবী।
ঐখোইশি দা থোকলবা
খংগনিবো," হাঈহুনা
খোংলৈ থুনা চংখবে।

তোম্বু লাইজিং লেম্বীনা
তাউজিং হৈখোং চঠুনা
"ইপল-ইংখোল চাউগোইহ্নং
হৈপাল লৈপাল নখোইদি
মহৈ চুমনা পালহৌরো
মক যম্না শাংহৌবো।
নিঙোল লাইবু পিবীদি
পম্মো যাথ ওকউগে
পলেম পুকনি খুত্তনগে"
রাহু অসি হাঈহুনা
হিকনা হিকনা কপলিংই
লাইজিং পোকপী মমানা
"ইমোম লাংলেন ইবেম্মা।
মতম তাঙ্গা থেখবে
সনা য়াথং শোইগনি
লাকও চংসি" হাঈহুনা
খুজেং 'পালোঈ পাঈহুনা
নুরা তোম্বু পুশিনখ্রে
চৈগ্রে 'হনবা হোৎবীরে

শন্তাইতু দোলাই পাবনা
দোলাই লেংজাউ পুশিল্লে।
তোম্বু লাইজিং লেম্বীদো
দোলাই লেংজাউ তোংতুনা
লৈমকোন্দা য়ৌখল্লে
নিংথৌ কোন্দা চংখল্লে।

তোম্বু লাইজিং লেম্বী কাব্য

মণ্ডাশুবা ঈথক

য়ারৌ কাবা

লমলেন তোর্ববুং লময়াঈদা
কদেং থাংজহনবগা
মোইরাং খুম্বক মচাগা
ভাইহাক পুংজা পোখারে,
মাগী মাগী লৈজবা
পানা কা হৈ পুথোকলে
শুমনা চনিং কানরে।

ইনা থম্বি   উনা কুংলি
মোইরাং-তোর্ববুং লমজাউদো।
ইরক চংবা   উরক শম্বা
মীশক উবা ফংদেদো॥
পাম্বা কৈজাউ   তাউবা হুইজাউ
শওম, শজি, শণ্ডাইনা।
থম্না লৈবা   য়োনা ফিবা

পাকথ্রবা জঙ্গোল অমনি ॥
মোইরাং থুম্বক লেংবান মথক
থুংলাই ওমনা হাপনরে ।
জঙ্গোল তমনা খোংথাং থুনা
য়ারৌ থিবা চংনরে ॥
শাবু কিবা পুকনিং থুকপা
মনম য়ৌনা খংনদে ।
থৌনা কবা ঈচং থৌবা
মোইরাং কংবা য়াওনদে ॥
মীয়াম চংলে জঙ্গোল নমলে
য়ারৌ পূম্বা চেম্নরে ।
তাবু পাঙ্গবা লম্বু শুবা
য়ারৌ কোঙ্গনা তাম্নরে ॥
লাঙ্গনা কিবী মুংশা থিবী
শজি শণ্ডাই য়ানরে ।
লমওক লৈবা শওম উবা
তেম্না য়াইবী মাংহল্লে ॥
কনবা থৌবা মথুংশিংবা
মোইরাং পাথং মচানা ।
মশা লৈরে মথোং ককলে
ওকনা তানশিল্লকুনা ॥
অসুম তৌনা পাথৌশিংনা
য়ারৌ শুমা কাজিল্লে ।
য়াবা থেংলে য়াঙাং থোক্লে
পোথাকমদা হঞ্জিল্লে ॥

কদেং থাংজহনবনা
লানমীশিংদা হাঙ্গদোকই—
"ইপু লানমী পুম্নমক।
ঙাইহাক পুংজা পোথারো।
শাফম অমা কোঙ্গইহনা
শঙাই 'মতং কাখিসি।
য়াবৌ শঙাই শিকদে।
থৌরি কোঙ্গোই পাঙ্গনরো।
মাসি ফাবা মীহুদি
মনা চাউনা পিগনি।"

লানমী ময়াম চংহনা
শাকম অমা কোঙ্গশিল্লে।
শাফম 'হুগী মন্নুংদা
থাংজিং য়ারৌ লৈরম্মী।
নোংঙ'ল্লমদাই কান্দুদা
শঙাই 'মোমনা হাঙ্গরম্মী—
"শাবি 'বুংঙো নু শিবা।
মগম অসি হোংলসি।
ননাও মংলেন মংলাঙ্গান
নমু ত ইবং মীয়ামনা
মকম অসি মৈ থাঙ্গদো।
ননাও লাইবক থিবঁদি
থৌরি কোঙ্গোই হুকলম্মী।
শাবি 'বুংঙো নহাক্তি
নিপা জাত্তা পোকপনা

খাম্বী মৈবক থাঙ্গৈছুনা
লমদম তামনা চেনখিদো ।"

শণ্ডাই লাবা অতুনা
ইলাঙ্গী লাঙ্গনা থুমলকই :—
"মুপী মথান চান্নরোই!
পাখং ইতু তেকত্রিদৈ
মুংশি কবি কিবগে?"
হৌজিক ইমুং ভাল্লগা
কদে থাংজহনবনা
খুম্বক মচা পুতুনা
শাফম খাস কোঙ্গৈরবে
খাম্বী মৈবু থাবরে ।
খাম্বী মৈবক থাঙ্গৈছুনা
শণ্ডাই লাবা চেনখরে ।
মোমন্নু লাইবক থিবাদি
মশা শোনবা মরমনা
মৈবক থাংবা ভমদরে ।
কদেং থাংজহনবনা
থৌরি কোঙ্গোই হুক্কুনা
শণ্ডাই অমোম ফাখরে ।
শণ্ডাই লাবা অতুনা
লমদম তামনা লৈছুনা
পাখং মীচৈ পিরকই—
"ঐগী তালোঙ্গী কাখিবা
মুংশি হৈতবা নহাক্তি

পামু মুংশি খাইনরো
মুংশি মৈনা চাকউরো ।"
শন্ডাই অমোম অহুনা
থংলেন-মমান-মচানা
চেনখিবা লমদম য়েংহুনা
মমিং মপি চেন্দুনা
চোংনা চোংনা খোংলকই
পাঙ্গমমুংদা থল্লকই ।

বন্দা লৈবা শঙ্কাহনি
অনৌবা শক্তিক খিহুনা
কোঙ্গনা কোঙ্গনা চৎপনি
পুকনিংয়াবা লৈতনা ।

কনানসু ওৎপিদে
ইনিং তমনা লৈহুনা
কনা দগি তৌবিদে
মীগী মথা পোন্দুনা ।

চানিংলবা ইনিংনি
কোঙ্গনা থি'না মচাজৈ ,
তোকনিংলবা ইনিংনি
পোত্থাহুনা মরৈজৈ ।

শাক্তিংচাবা ওইহুনা
কনাগীসু মাংহন্দে
মীনা চানবা পামহুনা
কনা চিরোন তৌজদে ।

লাইনা থাবা চিঙ্গাক লৈ
কনাদসু ওৎনিংদে
হুপ লৈত্রে তিংথৌ লৈ
অৱাৎপসু লৈজদে।

য়ুমগীদমক ৱারুদে
চিংগী লোকসুং লৈবনা
লাইজ থিবা কোঙ্গৈকদে
লোইবি-ঈফুৎ থোকপনা।

লাঙ্গৈনা কংবা পোৎলমনা
থরাই হিংবা য়ারবা
কোঙ্গৈনা কোঙ্গৈনা নোমদুনা
করিতবু কান্নবা।

মনি মুক্তা কৈ কাৱৈ
ইথবক্তা চন্দৰা
সনা লুপা কৈদোনৈ
লৈপাক লৈৱোন চন্নবা।

মীঙোন্দসু ওন্তুবা
মাংনবস্তু তৌদবা
কনাদসু লান্নবা
য়ারৌ অমা ওইজবা।

ঐবু ঙসি কারিবা
মোইরাং পাথং নহাক্তো
ওন্থোকনা নুংশি হৈতবা
পুকচেন কনবা ওইরেদো।

নিংথৌ মনাই অঙশ্বা
লৈপাক মচা অপুম্বা
কোম্লং তম্না হল্লকলে।

মোইরাং তুরেল্লু য়োরকলে
কদেং থাংজহনবনা
লানমীশিংদা হাঙ্গৈরকই ঃ—
"ইপু লানমী পুম্নমক!
লাঙ্গোই মফে তাখরে।
শা ঙৈতে পুখরো
অচংবা য়ারৌ থনম্মু।
মপু মোইরাং নিংথৌনা
পাখং ঐবু হংলগা
লাঙ্গোই মফে তাত্নুনা
থাংজহনবা লৈতৌবে
হুয়েং থৌগল লাকনি
অশুম হাঙ্গৈনা হঙ্গংলু।"
অসি য়াবু হাঙ্গৈরগা
কদেং থাংজহনবদো
মনাই মুবা পুত্নুনা
লমপাংদা লৈহৌরে।
মালেম অভান ভাপ্রগা
মনাইনা য়ারৌ চিংত্নুনা
তোম্বু সঙ্গাই তমনবু
থোংলৈ থুনা লেঙভকলে
থাংজহনবা ঙসিদি

মুংঙাইবা পান্দম লৈত্তরে ।
ভাবনা দোলান শাবদা
লম্মী চংকম খংখিদ্রে ।

নিংবা মিত্রং শাম্লবী
নংগী মায়া ওম্মোকই !
পাং কংফাল নাইদরে
লমহাং লমজাউ খংদরে
নংগী মায়া অচুনা
মাগী পুকনিং শুম্মাংলে
তাইবং পানবা মুংবংলে ।
অঙকপনি অঙকপা
খংবা ঙম্বা নত্তরে ।
থৌরাং চাউবা কনাবু
লাইজমুংদা থাদখি
অমুক হন্না চিংখংলি
থাম্মী'রক্তা থাজিল্লি ;
মৈরক্তগী শংলপা
অমরাবতী কোম্মুংদা
পারিজাৎকী মনমদো
পুকনিং পেন্না নমহল্লি ।
নিংবা ! নংনা নাকোংদা
করি মন্ত্র শোক্তিনবা !
শোনবা মপা লৈত্রবা
লুদা উন্না কুপলবা
নিপা অচু কলহল্লি

শামু লমশা মত্তৌগুম।
মশা কনবা মীবুম্ন
নোংশা তানা থাবগুম
শোনবা মপা লৈহন্দে।
অচৌ অশাং মীশিংবু
নিংথৌ ওইবা পামহল্লি।
নিংথৌশিংবু নিংহল্লি
পৃথি মপু ওইনবা
লোইবা কৌবা লৈহন্দে।
খম্বা কৌবা নাইহন্দে।
মযুম পানবা মীশিংবু
বল্পা মযুম ওইহল্লি।
বল্পা লৈবা শাবুনা
যুমলক চংনা শিংহল্লি।
লৈপাক নিংবা মীশিংবু
মকোক লাঙ্গনা যোলহল্লি
ইনাক থুনবা কয়বু
থুদৈ কীজেং ওইর্হাম্ন
ভোবোং তাইওইনহল্লি।
মম্নাতনা লংলবা
চরিত্রংপা কন্নানা
কৈজোম খোমাল য়াওন্নৈ
ঘীতনা চিঙ্গাক ওহ।
নিংবা। নংগী মাম্নাসি
খংবা ঙম্বা লৈতবে।
ঙসি থাংজহনবনু

মাঙ্গৈগে কদোম পুন্নিবা !
লমদম কৈদ্দা থমলিবা !
তাইবং মালং অসিদা
নহাক অসি লৈত্রবা
অন্নাবতা খন্দুনা
মুংঙাই মথোং খংলোইকো
অত্থ অমুক য়েংউদো !
মীবু নংনা পুবিরে
মুংঙাইবতা উত্তুনা
মুংঙাইবহু য়েংহনা
অন্না-অনা লাম্থোকখ্রে
থুমাং য়োনা চাওশিনখ্রে।
তুংদা রায়োং চাদ্রগা
নংদি লোয়া চেম্থোকখ্রে
য়াকন্নিবা ঐখোইনা
পংবা শীংদা চন্দুনা
শক্তি ইখৌ লাংবনা
লৈকংলাদা শিবগুম
অন্না-শরুক থুংহৌই।
নিংবা! নহাক অসিবু
অক শীংদা চনগদ্রা ?
কত্তবনি হাঙ্গীগদ্রা ?

:তানু লাইজিং লেম্বী কাব্য

তরুকশুবা ঈথক

থাইনবা মৈচাক

কদেং থাংজহনবদো
য়ারৌ শঙাই পুন্থনা
লাইজিং লাকপা মবানযাঈ
তপনা কিনা চংলকই ।
য়ারৌ শঙাই পুল্লগা
মাঙ্গোল খেঞ্জোং লাংদনু
কাইদা কাইদা চংলকই ।
কদেং থাংজ হনবনা
লাইজিং লেম্বী কৌরকই :—
"নুরা মোমন্থ ইবেম্মা ।
পাউজেন য়ারৌ পুরকলে ।
থোংগী নাতৈ কাংলোনে
চারগী পৌরোল শংলোনে ।

করিগী তনগাম্মিবনো ?"
নুরা মপাউ ফংদরে ।
অমুক হুন্না হাঙ্গৈরকই :—
"ঙসি লাইরেন নোংজাদা
নুরা তোম্বু নহাকপু
পাথং হৈনা ইতুংদা
হৈরাং নাহে থোইদুনা
অমল থরে কুমগ্রবা ?
ঙসি কোরৌ থুমিত্তা
থোংগী নাতৈ কাংলগে
চারগী পৌরোন শংলগে ।"

কদেং থাংজহনবনা
থোংজি নাতৈ কাংদুনা
নিঙোল কাদা চংলকই ।
নিঙোল কাদি হাংঙমলে
লাইজিং লেম্বী লৈরমদ্রে ।
"ঙসি লাইরেন নোংজাদা
লমলেন তোবুং লময়াইদা
তোম্বু-রাশক লৈরাংনা
মালেম লৈদা তারকপা
অসি ওইরে ইবেম্মা ।
পাথং ইতুং থোকপদা
অমং য়াইথোং কুমগ্রবা ?
লৈকাই মরা লোত্নুনা
মীরম্বদা ওংগ্রবা ?
রারম অসি খন্দুনা

হিকনা হিকনা কপ্পসি
লাইজিং লাকপী তারকলে।
লাইজিং লাকপা হৌদোকই:—
"ইমোম–মথরাহ-মমিরা?
মোহরাং-পাপং-মচারা?
হিকনা হিকন' কপ্পসে
লাইজি লাকপা তাবিঘু।"

লাইজিং লাকপা হংলকই:
কেগে মচা কনানো
মোইবা মচা কনানো
নিঙোল-কাদা কপলিবা?
ইমোম লাংলেন চবৈহল
মপু মোইবাং নিংথৌনা
সনা–মিয়েং শাক্তনা
লৈম কোন্দা পুখরে।

রাহৈ আস তাবদ
কদে থাংজহনবগী
পাঙ্গমনুংদা মৈহৌরে
থমোই লকা চাকথবে।
খংহৌদনা ব্রজনা
মকোক'থক্তা তাবগুম
অরা'দশা কংথরে
নিংজবগী ঈথক্তো
খাইবা-নৌচেপ চারেদো।

অতুম অতুম ওইনমক
পুকনিং রারক চেৎপমা
কদেং থাংজহনবনা
রাবা চৈরে খুমজিল্লে।
মালেম থক্তা কুম্লগা
খুবাং তরা লোন্দুনা
কপনা কপনা হঙ্গচৈ:—
"ইমান ইঙেঙা য়াইকবা!
মোইরাং থাংজহনবনি।
ননাই ভক্তি কচ্চরি।"

নিঙোল পোকপী মমানা
হৌগত্তুনা হাঙ্গৈবকই:—
"ইমোম লাংলেন ইবেম্মা!
মপল ইংখোল চংঙনা
তাউদ্ধিং হৈগী হৈখোংদা
শিঙেল লৈগী লৈখোংদা
মমাঙ্গী তোর্ব্বং ওন্দুনা
হিকনা হিকনা কপ্পদি
মবম সিনা ওইরেদো।
নিঙোল পুকনিং থংদবী
তোম্ব লৈমা ঐহাক্তি
শিঙেল থাদোকলম্বগী
পস্তৌ খাইনরম্বগী
পলেম শেৎনরম্বগী
কপ্পা ওইনা নিংউরে।

ইমোম লাংলেন চরৈহুল !
ওঙ্খোকনসু পংইদা
নংবু পোকপী নমাদা
মপা খোইখোঙ্গ তাকলবা
পলেম খয়াই সুংঙাইনি।"

কদেং থাংজহনবনা

মমান ইংঙো খুরুম্মী।
লাইজিং লাকপী খুরুম্মী।
অতুগী মতুং থোকপদা
ময়াম য়াঙ্গদা লাকলগা
তন্না মৈফম লিংখৎলে।
থাংশাং অম্না শারগা
থাংগী নাকল অমদা
মোইরাং নিংথৌ য়েকশিল্লে
নিংথৌগীদি ওঙ্গরোমদা
লাইজিংলেম্বী ক্লাপচিল্লে।
থাংগী নাকল পাংমদা
হাঙ্গজবগী মতৌগুম
নিংজবগী মওংগুম
খুকউ খুদক কুম্লগা
যনশা—লৈমাঙ্গনতুনা
থাংজহনবা য়েকশিল্লে।
ইমুং শোরা ঙাল্লগা
ইরু শাদেংজতুনা
চবৈ'হনবা হোংজরে।

থাংগা শাগা পুহনা
কংলা ভমনা কারকলে।
খুন্দিনবীগী লমখোংদা
ডাক্লংহনবা ওকনরে।
মক্ৎপ অনি কারকলে।
নিংথৌগী ময়ৌ মখোংদা
শণ্ডাই পুল্লে হাঙ্গৈরগা
সনা মাংদা চংলকই।
মপু মোইরাং নিংথৌনা
অচানবা তযুম অনিবু
খুলাম তোঙ্গৈনা কৌশিল্লি।
ওঙ্গৈদা লাকপা মনাইদা
ওঙ্গৈনা পানা লাল্লিদো।
যেত্তা লাকপা মনাইদা
য়েৎনা পানা লাল্লিদো।
মোইরাং পাথৌ অনিমক
চহি কীগাও শাহুনা
পানা খুদপ য়াঙবে।
অতুগী মতুং অতুদা
কদেং থাংজহনবনা
থাংগা শাগা কচ্চরে।
মপু মোইরাং নিংথৌনা
থাংবু য়েংনা হাঙ্গৈরকই :—
"থাংজহনবা! নহাক্কি
লোইদাম অমা ওল্লগা
ওন্থোকপা অমা তৌরকই।

থাজ অমা লৈরগা
অঙকপা অমা পূথোকই।
কয়াদা নিংথিজগ্রবা।
(লৈপাক প্রজা য়েংহনা)
য়েংঙ্নেসে তমুমশা।
(মনাই অনি য়েংহনা)
অচানবা তমুম অনিমক।
হৈনা নতুং থোকপদা
তালোঙ্গী অমা থিরুরে।
শ্রৈগী তালোঙ্গী অনৌবী
তোম্বু লাইজিং লেম্বীগা
শকথং মাঙ্গীথংনরুখো
থাংগা শাগা কচ্চরু।"

সনা য়াথং তাবদা
কদেং থাংজহনবদো
মরু লৈদা লুকথরে।
অহুম অহুম ওইনমক
সনা য়াথং ঙাকুনা
থাংগা শাগা পুহুনা
পাথৌ অনি থোরকলে।
নিংথৌ কোম্মুং য়ৌতুনা
লৈমকোম্বা চংলকলে।
কদেং থাংজহনবনা
পাঙ্গীমসুংদা য়াশকই :—
"ঙসি লাইয়েন নোংজাদা

নুরা মোমনু নহাকনা
পুকনিং ইশৌ-লাংদনা
হয়াও-কুমৈ তৌববু
পাখং ঐনা উরবা
মোইরাং অসুক চাউবদা
নংবু হেনবা থিহনা
মচাক হোংনা পায়মগে ।
পাখং ইশুংলান্দগী
মিয়া থস্বাল অনিদা
তয়ং লাইজ চেল্লবা
নরু কৈদা লুকলবা
নশুংলানগী দমকনি
তরা চিঙ্গোই মেল্লয়োই
লাইজ ঈখৌ লাংউয়োই ।
লিনশাং য়াংদা পকুনা
অমলগী থরৈ কুমলগে ।
ইবুধৌ থাংজিংখংশনু ।

মতাও অনি চংলকই ।
তোম্বু লাইজিং লেম্বীনা
চরৈ কৌরুক খুমহনা
গঙ্গা ঈহৌয়কপগুম
তয়ং লাইজ চেন্দুনা
হিকনা হিকনা কপলকই ।
পামু চেংলো উবদা
মরু কৈদা লুকখরে ।

খোংবী লৈথা য়েংহুনা
লৈই কৈগকনহুনা
নুরা তোম্বু লৈথরে ।
মোইরাং 'ওম্বা অনিমক
রানী 'নাক্তা য়োরকলে
রানী তোম্বী ইবেম্মা
পাথোশিংদা হংলকই :—
"নিংথৌ-মনাই ইপুখোই !
করি রাগী লাকপগে ?"

ওাক্কং হনবা খুমলকই :—

"রানী তোম্বী ইবেম্মা ,
মনাই ঐখোই অনিবু
শকথং মাঙৈথ'বিয়নে
শাগা থাংগা কচ্চাবি ।"
নুরা তোম্বু শকহেনবী
নিংথৌ-মনাই অনিদা
শিঙেল পরেং অমমম
পানা খুদপ অমমম
রাহে অসি হাঙৈহুনা
শিঙেল খুৎনা পিবিরে :—
"নিংথৌগী মনাই ইপুখোই !
পাখং মনিং থুংলরোই
ইপু রারৌবিগনু ।"

অঙম্বা মপাও খুমলকই :—

"ইবেম্মা করি রারৌনি ।

ইয়েং মতম অমদা
নৈমক্কোজা লাক্লবা
মিংথৌকাদা য়োঙ্গবা
পাখং ঐখোই অমিগী
য়াইবী থবাই কললিয়ু।"

কদেং থাংজহনবনা
পাঙ্গমমুংদা খন্নকই :—
"তোম্বু-লাইজিং-লেম্বী-ও!
থুংনা থিল্লা থিলহৈদে
মিংনা য়েংলা য়েংহৈদে।
মুংশি চেংলৌ উত্রিডৈ
চিঙ্খাল কাংনা নোকত্রবী
নৈরাং থঙ্খাল কৌবিনা
মুমিংকী থৌজাল কংহ্নুনা
মকা কল্লা শাংলগা
খোইমুগী শরুক ওইবগুম
মুরা পাখং খোকখরে।
থাংজহনবা ঐহাক্তা
লেংয়াল্লবা থোকলবা
পাখোম তাওইহনুনা
থবাক চুংওইনদুনা
পাখং হৈত্তিক উৎলমগে।
মপু কাদা থোকলনা
থৌচু নুংনা থক্তা য়াল
নৈলা লুকখম শেমলগা

চিঙ্গোই মেন্নু ইনশিনবা
লমদা লৈবা কৈজেংলাং
য়োংহিং ফলাং হাপগুম
পাখং পান্দম ওইখরে ।
সনা থৌগল লাক্কুনা
মুংশি চেংলৌ উবদি
পাখং ঐদি পামদরে ।
নওংলানগী দমকনি
তরা চিঙ্গোই মেল্লয়োই
লাইজ ইখৌ লাংউরোই ।
লিনশাং য়াংদা পক্কুনা
খোঙ্গদৌ যোংহিং চন্দুনা
অমং য়াইখোং কুমলগে ।
থোঙাক অশিথেন্দবু
মকোই মুংঙল চিংদবু
নুরা ! ঐহাক য়ৌগ্রগে ।

মোইরাং পাখৌ অনিমক

মরানয়াঙ্গদা কুমথরে ।
তোম্বু-লাইজিং-লেম্বীনা
থাঙেল থুত্তা পাঙ্গথুনা
লুপাক মখা থাখরে ।
শঙাই রাম্বী শাম্বুরা
উচুক মৈরে পুনশিল্লে ।

তোনু লাইজিং লেম্বী কাব্য

তরেৎশুবা ঈথক

শণাই থাদোকপা

কদেং থাংজহনবদো
মরানয়াঈদা য়েৌরগা
তরা মশক য়েংদরে ;
তৌরাং-কক্তা ওন্দুনা
হৈরাং নাহে থোইখরে ।
অয়ো হাঙ্গৈনা নোংদমলে
লুতুং থোইবাক শারকলে ।
মনাই নাবা পাউ অসি
মপু মোইরাং নিংথৌগী
সনা নাকোং য়েৌথরে ।
মনাই নাবা তাহুনা
লৈপাক মাইবা থারকলে
নিংথৌ মাইবা কুমহল্লে ।
লোইদাম থা'মা ফারকলে

লাঙ্গৈনা লাইঙং খৎদয়ে ।
মাইবী মাইবা পুম্বনমক
য়াওাং খুদিং চুমদয়ে ।
কন্নি উপায় লৈতয়ে ;
অনা ভাবক ওইনয়ে ।

কদেং থাংজহনবনা

মতাও ঙাক্লহনবগা
নাপচিকনা য়াতায়ে :—
"পাথৌ লমলোই চাম্নবা !
লাঙ্গৈনা লাইঙং খংলয়োই ।
পুকনিং-কিশি থমলয়োই ।
তোম্বু-লাইজিং-লেম্বীগী
মতুং লানগী দমক্তা
য়াইবী থবাঙ্গ থারগে ।"

মতাও ঙাক্লহনবনা

ঙাইহাক পুংজা খন্নগা
মপু মোইয়াং নিংথৌগী
সনা নাক্তা থুংলুয়ে ।
নিংথৌ সনা চয়ন্না
পুকনিং তপনা হঙ্গখলি :—
"লিকলাই ইবুংঙো নিংথৌয়েন !
ননাই লানবা ঙাকপিয়ু
ননাই কংলা কাবদা
মোইয়াং থোরি কৈথেল্দা

অনি তিল্লা মশাংনৈ
অহুম তিল্লা মশোৱৈ
'কঁদেং থাংজহনবনা
তোম্বু লাইজিং লেম্বীগী ;
মতুং লানগীদমক্তা
থৱাই থাগে তৌবসে
ওস্তোকনা পামুখরেদা !
লৈবাক অকন অথৌনি ।
লৈবাক মাঙ্গয়োং ওইবনি ।'
লংলা লংজিন ওইনবা
অমত্তা ফাগে তৌবদা
মোইরাং কংবী য়াম্বনে
মনাই ইতোম ভাঙ্গবনে
ফাজহৌবা ওমজত্রে ।
তোঙ্গনা উবা মী নত্তে
থিক্করবস্থ খংলয়োঙ্গ ।"

অওকপা থাঙেল অমথক

ননাইনা কচ্চরম্বদো
সনা পুকনিং নিংশিংলে
চুমই হাঙ্গনা লেপথরে ।

মপু মোইরাং-নিংথৌনা সনা পুকনিং তপথনা
পাঙ্গমম্মুংদা থল্লকই ।
তোম্বু-লাইজিং-লেম্বীসি ঐগী তালোঙ্গ তোম্বীসি
কন্যা দান তৌরকই ॥

ঐশী ইমন্ তশেংবা
লাইনা শিবা আঙইবা
তোমু-লাইখিং-লেম্বী নি ।

হৌজিক মতম অসিদা
নিংথৌ ঐশী পুনশিন্না
থাওদৈ-মঙ্গাল্ ওইরব নি ।।

নিংথৌ তলোঙ্গী অমমা
পুবনিং তাবা উবদা
অঙাং ওনবা হায়বনি ।

অংক্রোইদবা পাম্মুবা
মীনা শিগে নিংজবা
কাঙ্গৈবা কবি লৈগনি ।।

অদুমনদি ওইস্রগা
অতুম অসুম খল্লগা
পুকনিংনদি খাঙিদে ।

মীশী মগুং ওইরেদো
মাশী মগুং ওইবদো
অশি খনা [illegible] ।।

করম খায়েল্লুগনি
করম খোঙ্গিন খুমাগানি
মীশী পকচিং লেপ্পুরদে ।

তাইবংবানগী মনুংদা
মীশী প্রকৃতং অদিদা
লৈ নিংথৌ [illegible] ।।

অযুম তাকংহনবনা
[illegible] খাইমনি
মথুং হেল্লকপা কাঙ্গিন্নদে ।

অসি ’পূন্না ওইমন্নু
মনিং পুন্না থমদুনু
ফনদুনদি থৈনিংদে

ঐনা উপায় তৌরগা
ঐশী খরা মাংলগা
মীনা খরাক হিংলবা

করিতনু পাম্মুবা
করি পুক্নিং চিংনবা
ঐশী খাইবী কংলুবা ।।

তোম্বু-লাইরিক-লেখীবু   তয়ুম-অরাম-শাদবু
খোংনৈ শুনা খাগ্রগে ।
পুংকোয়া নরকা   নিংথৌ ঐনা তাবদো
মতম চুপ্পা ওইগদে ॥

অহ্ মথুং অহুদা
লাইরিক লেখা কোড়না
মনা মাথং তাকলকই :—
"তোম্বু-লাইরিক-লেখীও !
তয়ুম থাংজইনবদো
নোংমা-মপাক চেংথরে ।
অরাম-শাদা কুমহনা
[illegible]কমকত্রা !
তয়ুম শিবা য়াদেকো
থবাক য়াওনা থোংনক ।"

তোম্বু-লাইরিক-লেখীনা
লাইমরুদা হায়রই
মপাচৌদা খোঞ্জেল্লে :—
"শিকলাই হবু তো নিংথৌরেন
ওইরং-লোলপা ললাইগী ।
নিংথৌ কোন্দা চৈজবা
চৈনকোন্দা শান্ডেঁদা
চহি কুমজা ওন্দাবি
হচেম শিংবু থাবিয়ু ।
কণ্ডমদবা মানবু
মতৌ করম থাদগে ?"

[illegible] অনিংবা — মরিদা [illegible]
লোম-লাইনিং-লোইগনি ।

থাক্তিক মতম থানিবা — নিংথৌ [illegible]
[illegible] লৈতেনি ॥

নিংথৌ তাকোক্ত শক্তা — পুকনিং তাবা উৎনদু
পুক্তা ওয়েবা মরমি ।

ফজেইবা পান্থুবা — মীনা পিপে নিংজবা
[illegible] কতি তৈগনি

[illegible] ওইদুনা — অসুম অসুম থবগা
পুকনিদগী থানিদে

মীগী মওং ওইরেদো — শাগী মতৌ ওইবদো
অশিংবনা পীমদ্রে ॥

করম খায়েথুবনি — করম তোঙনি থমগনি
মীগী পুকনিং [illegible] ।

অহিংবানগী মঙদা — মঙা হুকচাং আসদা
তৈন নিংথৌ হাকেন অদুন ॥

তঙুম তাকংহনবনা — তাইরবা মাখমনি
মথুং থোকবা [illegible] ।

অমি পুখা ওইমনু — মুনিং খুন্না থমনু
নুজ্জুবগি ওইনিংঙু ।

ঐনা উপায় তোরবা — ঐগী থবা মাংলগা
মীগী থমাই হিংবগী ।

মপ্রিঙবু পান্থুবা — কপি পুক্কিং তিংবগা
ঐগী থাইবী [illegible]

সোংসে থনা থাস্রগে'।

খুংগ্বাযা নম্বর্গা নিংথৌ শৈনা তাম্বগু

মতম চুমা ওইরগে ॥

অহু মচুং অহুমা

লাঙাঙ, লৈশী কৌহনা

শশী মাখং ঙাকলাকই :—

"চেৎখু-লাইরিক-লেশীগী।

উচুম থাংজইনবগী

লাইশং-শংগী চেংথরে।

অগাম-শংদা কুমহনা

অনা-লায়েকনক্রা।

তখুম শিবা থাদেকো

থরক থাংবা হোৎনক।"

চেৎখু-লাইরিক-লেশীনা

শারী চুশা হুরাগই

মপাকে দা চৌঙৈঈ :—

"তিকলাই ইমুঙো নিংথৌজেন।

ঙাং-লাকপা শনাহীনে।

নিংথৌ কোন্দা লেঙবা

চৈনকোন্দা শাঙবা

চহি কুমজা ওনথি

ইচেম শিংবু থাবিরু।

শঙজমগী থনিবু

মতৌ করম থাগমে ?"

মপু মোইরাং নিংথৌনা ঃ—
"ইনাই শিবা চানগনি
চত্তবা রাদে ইবেম্মা।"

তোম্বু-লাইজিং-লেম্বীনা
চয়ন থাদা হঙ্গচে ঃ—
"ঐবু লোইবা লৈমাবা
ননাই লাইজিং লেম্বীনা
য়ারৌ শণ্ডাই লোইবত্তু
য়াইবী থরাই থাদোরে।
য়ারৌ শিবা পাপশিবু
কনা পুক্ষম থোবগে ?
অয়োকপনা পু-দরা ?
অকাবনা পু-দরা ?"

মপু মোইরাং নিংথৌনা ঃ—
"করি রানো ইবেম্মা!
তোম্বু য়ারৌ থাদোকলো।"

তোম্বু লাইজিং লেম্বীদো
সনা চয়ন থুরুম্লে।
লৈকোন্দা হঞ্জিল্লে।
মনাই মানবী য়েংছনা
মোমোন মোমোন নোক্নুনা
চিজোই মপাও তম্লকই ঃ—
"ওসি মানবী অচানবী!
থাংজিংনা চানবিরমলে।

মপু য়োইরাং নিংথৌনা
লাইবক থিবা তোঙ্গবু
পামুনাক্তা থাবিরে
নুংশি-সেবা কংলনি ।
থৌরাং তৌরো অচানবা !
অরাম-শংদা কুমলসি ।"

মানবী মচিন পৈহনা
কৈরেং কৈরেং খুমলকই :—
"ছিঃ ছিঃ তাজনিংদেদা !
মনিবুদি হুন্দোকপা
মিংশেল মচেৎ খুনবসে
অপংবগী থৌদৌনি
লৈমকোন্দা তিন্নবৈগী
মতম অসুক কুইবসি
থোংদা লৈবা মনিগুম
নোংনা থনবা থাজগুম
হি হি নোকপা লৈতনা
কপনা কপনা লেনবদাই ।
অরাম-শংদা কুমলমদাই
থাংজহনবী ওইরমদাই
কবি য়েংনা নোকচবা ।
তাজনিংদে ইবেম্মা !
অহনবা য়াহ হাইরম্ম ।"

[illegible]

কড়াল কামেস দুলাড়ো
আলা অকা হাড়ুকেদে—
আকিলৗদুলা হেলেদো
আত্মামজেলা জুমলাগা
লাহুৗলাকান ঘোঁৗগা।
মাজী ; জৌঁ ঞৌহান ।”

মানকো মওঁ ঁলেকাক্ষে ;
দাড়িনা লাড়িন তুলকেদ্দা ঃ—
“কার মেনা হাথকেনা !
কাঁই মেনা শক্তনা !
বিহেলী কোরাং আগেনা
মর্দা কুলা লোহেরেন
মনি কুড়া দুঙেঞা
ঘুদোম্ ঁলেলাক্ ঞালমেনা ।
চালে বুধা কাথে,কেলা
লেহকে থুড়া লাৎসাকণা
আলিমাঁ হুংডাইনে !
দাংখেইনা দড়ানুমাই
জোহে বাজোইকমরা
মোরেনা কথা মোড়েনা
নিনি কথাম্ মিঁচিা
দাকান যানা মোমেনা
নাতেন চোকান দাকনা
হুতাইকানি দড়াঁগা

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
আলো [illegible] [illegible]।
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]।
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]।
[illegible]
[illegible]
মানসী [illegible] [illegible]।
[illegible]
[illegible]
তুমি [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible]

নুংঙাইব'সু কংব্রবা ?
নিংজরিবা মবুংঙো
থমোই'নুংদা উহনা
মখোই কংবা নুংঙাইবা
তাইবংবানগী কনানা
কংবা ঙম্বা য়াওবগে ?
থুদৈ ঙোবোং ললঙইবা
লাঙোল থুংলাই ঙম্বিবা
লৌউবগী মশাদা
নুংঙাইবসি নৈত্রবা ?
হোৎনজবা কান্নবা
কৌনা চরোং চুমলকপা
খোইঙাং শানা মুম্নকপা
মতম অতু য়ৌবদা
লৌউবনা নুংঙাইবা
কনা কংবা য়াওবগে ?
নিংথৌদা কোক য়োম্পুনা
অরা অনা খাংলিবা
লানমীশিংগী থমোইদা
নুংঙাইবসি থুংব্রবা ?
লানগী মৈথু মরক্তা
চাবা থকপা নিংদনা
শিবা হিংবা থংদনা
থবাই পুবাক হাপতুনা
কম্না লান্নাজরকপা
জয় ওইবা মতমদা

মখোই ঋংবা হুংঙাইবা
করি চাংদমনগনি ?
পিনশনবা মীশিংনা
ময়ল মথুম লৈজবা
অরা অনং খিবিক্তা
মথুং থানা পিরগা
পুকনিং পেন্না হুংঙাইবা
করি হাঙ্গৈনা উংকনি ?
মবুংঙোগী চরন্দা
থরাই হকচাং কংপ্রবী
সতী ওইবী হুপীনা
লাইথুং মশা পুমলবা
উরুবনা কিরবা
পুকনিং হঙোই পোকলবা
মপুরোঙ্গৈবা অহুবু
পুকনিং অনি লোংদনা
থুংনা সেবা তৌরগা
কংজরিবা হুংঙাইবা
করি হাঙ্গৈনা শীংথানি ?
প্রেমনা মরম ওইহল্লনা
থরাই হকচাং কংপদা
কংজরকপা হুংঙাইবা
তাইবং পানবা অসিদা
পান্দমনিংঙাই লৈখিত্রে ।
মাসি লাইনা কংবনি
মীনা কংবা রাবনি

লাই ওইবা মীসিংনা
চংনরিবা মচংনি ।
সতী ওইবী হুপীবী
মনাই ওইবা তমখবা
হুন্না মথৌ মতম্বা ?
অহুনা শাউমু অচানবী
অরাম-শংদা কুমলগা
মানবী ! চেন্না হুংজাইনি ।
মানবী ! খোৌবা, তৌকরো
অরাম-শংদা কুমলসি ।”

রাইহে অসি হাঙৈরগা
তোম্বু-লাইজিং-লেম্বীনা
মাগী নাক্তা চংলকই ;
পুকনিং হুবা খোনকমনা
মাগী পাওমেঞ্জরকই :—
“খোইনৌ ইতা চান্বী !
তাইবং-মীচাক চারকপা
লোইদাম কনা য়াম্মকলে ।
শাবি শেংনরকপানি
হুংশি থাইনরকপানি ।
শাবি য়ুমদা য়োকরো
পামু চেংলৌ উকরো
মোমম্বু লাইবক থিবীম্বু
পামুনাক্তা য়োকলগে
হুংশি য়ুমদা থাজগে !

বয় পিহ্ ইভারোই !
খোইনৌ ইতা চান্নবী
লাইজিং লেম্বী ঐহাকনা
পামু লাইনিং চেংলবা
পুকনিং অনি লোংব্রবা
কেগে অস্নুক চাউবগী
মোইরাং অস্নুক য়াম্বগী
য়াংলৈ তাউবা মহুইচা
য়াংলৌ লম্মথাংদবু
পোরোং খুদি চেনগনু
লাইরেন খুনাম তোঙ্গীগনু ।
পাম্মুবগা থুংনরু
মুংশিবগা য়ৌনরু !
(হুপ খুদাপ পাঙ্গীহুনা)
শণ্ডাই রাম্বী ইভারোই !
ওসি কোরৌ মুমিত্তা
মোইরাং চহু য়াইথিবী
অপাম মুংশি থুংব্রবী
তোনু ঐনা ইল্লবা
শজিক অসি চান্নবা
পামু থুংলে খংজগে ।”
য়াহৈ অসি হাঙ্গীহুনা
হুপ খুদাপ ইল্লগা
য়ারৌ শণ্ডাই খাদোকই ।
শণ্ডাই য়াম্বী শানুন্না

শজিক খুদাপ চাহুনা
হুয়াও হয়াও চেনখরে ।

মোইরাং-থাংজিং-চিংখোংদা
মতম কুইনা উত্রবা
শাবি মমান মচাবু
"শাবি মাগ্ন পামুবা ।
লমদম কৈদা লৈগ্রবা ?
ননাও লাইবক থিবীদি
তাইবং-মীচাক চারবা
মতম অমুক কুইবসি
পামু সেবা কংদরে
মুংশি নপাউ তাদরে ।
মহে চুম্বা পামেলনা
তাউজিং হৈরাং য়েনবগুম
পামু থৌজানবিহুনা
মুংশি লৈকম তাকপিরো ।"
অসি হাঙ্গনা থিরকই ।
ঙাইহাক পুংজা লৈরগা
মখোই অনি উনরে ।
পামু চয়ন খাহুদা
থৌথোক 'পুম্বা ভমলরে ।

শঙাই লাবা অহুনা
মুংঙাইবা পন্দোল লোম্রহুনা
হয়াও হয়াও খর পিং—
"তোম্ব লাইজিং লেম্বীও ।

নুম্না পাখং ঐথোইনা
থাংজিং—য়াঞৌ ওইরবা
পামুনাক্তা য়ৌজরো।"

অদুগী মতুং অদুনা
থাংজিং য়াঞৌ অনিমক
বনগী শক্তিক চাহ্না
মনিংতমনা কোইহ্না
মচাক হোংনা পানখরে।

তোনু লাইজিং লেম্বী কাব্য

নিপালস্তুবা ঈথক

অপাম নুংশি থুংনবা

তোম্নু লাইজিং লেম্বীনা
য়াম্নৌ থাদোকলমলগা
নিংথৌ রানী অহনবী
ইন্দ্রানী কৌবী মচেমদা
"মহারানী খংবিহৌ—
লোইদাম থাবুম অহুমশী
সনা ঈবু পুজরি।"
রাহৈ অসি হাঈছুনা
সনা তাঙ্গা রাকোংই
লুপা তাঙ্গা রারেপই।
কংলা ঈশাইবু মখোংদা
থাংকম অহুম হকলম্মী।

অসি মতুং খোকপদা
তোম্নু লাইজিং লেম্বীনা

য়ানয়াইদা হৌরকলে।
মানবী-মচৌ উবদা
তায়ু ঙকপা থেংথরে।
অরাম-শংদা কুম্বগী
মপুকনিংদা শাউহুনা
চৈনা চৈনা ভাংনা ভাংনা
মবেম্মগী পুনবা
পোৎলম থিবিক মানবীনা
মাঙোল খেঙোং লাংহুদা
চিং-গুমনা পৈশিল্লে।
লৈরোম পাকনা ভিংথোকই
চক্-চনাই থাক্তনা
মীপোৎ মীপোৎ শেমজিল্লে।
নখো নাকল অমদা
কপী অমা হাপচিল্লি।
লৈরোম মনা অমদা
তরোৎ অমা য়ানশিল্লি।
মবেম্মগী দমক্তা
পুনিংবনা মরাং হৌ
লৈপাল কাওবা ফুকনিংলে
মরোই য়ৌনা য়েপনিংলে।

তোম্বু-লাইরিং লেম্বীনা
মানবী কৌনা হাঙ্গৈরকই :—
"অরি তৌরে অচানবী!
নিংথৌ য়াথং শুহুনা

বামহং-থৌমহং লাকপরা ?
নুজা ইতুং থোকপদা
থাম্বী লৈরাজ লাকপরা !
শিংদম কাওবা থাক্তনা
মাঙোল থেজোংলাংদবু
পোংয়োম পৈবা উবদা
মানবী ঐদি গুকখরে
লম্নাই লতোন শাংখরে ।
চিঙোই মপাউ তম্মো লাউ
পাঙৈমা পুকনিং হংনসি ।"

মানবী শাউনা খুমলকই :—

(থাংজিং মাইগৈ ওন্দুনা)
"ওঙ্গোকপানি লাঙৈনিংথৌ !
অপ ম মু শি থুংলমদাই
মীসি ইঙাও ঙাওবোইকো ।
(তোম্বু য়োমদা ওন্দুনা,)
অরাম শংদা কুমনবা
থৌরাং তোয়ো হাঙৈবদাই ।
মপু লৈবা মকমদা
মপোং পুবা হৌনৈদো ।
থাংজহনবা মরানয়াই
মচাক হোংনা পাম্নবা
খুজিন তৌরিবনিদো ।"

তোম্বু লাইজিং লেম্বীনা
পুকনিং তপনা হাঙৈরকই :—
"ঙাইখো ঙাইখো অচানবী !

সিদা লৈবা পোৎরামসে
ঐগী ইপোং য়াওদেদা
নিংথৌ কোন্দা লৈরিঙৈ
লৈমকোন্দা ঙিল্লিঙৈ
মানবী ঐগী ওইরম্বী
শিজিন্নবা য়াগমই ।
অয়াম শংলা কুপ্পলা
মিংথৌমা উনবা নত্তেদো ।
পলেম পন্থৌ অনিনা
ঐগী দমক তম্মলকপা
পোৎলম থিবিক পুবা য়াই
নমজা নমথেকনহুনা
মীগী মরল লৌবদি
মানবী ঐদি পামজদে ।
পেনবা য়াৎপা সমত্রু
তাইবংবানগী তুরেন্না
অতৎ অথম লৈতনা
লাইজ ঈশিং ইনবদা
মপুক থনবা লৈতেদো ।
অহু-গুমনা অচানবী ?
পেনবা কৌবা লৈত্রবা
লথা অম্না লৌহুনা
ওকপা লৈবা ছোনদে ।
পেনবা হৈবা মীহুনা
য়ারৌ লৈদা শনবগুম
ভোয়াং কক্তা গুনবহু

তেরা মোম্পাক হিয়ঙুন
খোয়লেন তুমখুন হুনখনি ।
অসিদসু নত্তনা
নিংথৌ সনা য়াংদদি
চৎনিংদবা শারিদো
সিনা মানবী অচানবী
মুংশি থোইবী তোকলোদা
পোৎয়োম অসি হোঙ্গিনখ্রো ।
অয়াম শংদা কুম্বদা
মতম তাঙ্গা থেংখ্রনি ।
পামু য়াইবী মাংথ্রগা
মুশি মুমদা য়োকবা
মানবী' করি কান্নবি ।"

অসি মতুং থোকপদা
তোমু-লাইজিং লেম্বীগা
মবুং ওাকুংহনবগা
মোইবাং নিংথৌ খুকম্বী ।
সনা য়াথৎ লৌরগা
অবাম-শংদা কুম্মকলে
য়াংলৌ লম্মখাংহুদা
লাইজিংলাকপা মমোমনা
হিকনা হিকনা তে থাইদো
"শাখি 'বুংঙো মুংশিবা !
ইমান-মচা নহাকনা
মনাও নোংদম থিবীগী

ইঙুংলানগী দমক্কা
তন্না চিঙ্গোই মেন্দবা
লাইজ ঈথৌ লাংদবা
লুতুং থোইবাক শা-মথৈ
তৌরাং ফক্কা ওন্দুনা
হৈরাং নাহে থোইংনা
থন্নাই থাগে তৌবদি
ননাও লাকপা ঙাইরমখো ।
মোংনু লাইবক থিবীনু
পামু নতুং ইঞ্জগে ।

থোঙাক অশি থেন্দনু
মনোই লুংওল চিংদনু
চৎমিনসি ইবুংঙো !
শমলাং অমা থোংবু থা
শম্বুম অমা পাম্বৈ ওই
বৈতরনী তুরেনবু
লানমিন্নসি লুংশিবা ।”

তোগ্নু লাইজিং লেশ্বীনা
কাদেং থা-জহনবগী
মরানথাঙ্গীদা য়ৌরগা
লুংশি চেংপৌ উবদা
থমোই লাইয়ুম কাঙ্গৈথরে ।
মঙু'লানগী দমক্কা
লুদা উম্না কুপলমলে
মিত্তা চেংগুপ শিরমলে ।

তোম্বু লাইবক চাউবীনা
ইকশাজেংজত্নুম্না
চনাং কাম্বা নৈরগা
"শাবি'বুংঙো স্থুংশিবা
ননাও লাইবক চাউবীমা
চনাং কামা নৈজরে
তম্না চিজোই মেঞ্জগে।"
ম্নাছে অসি হাঙ্গৈথুনা
পাম্মু চিজোই মেঞ্জরে।

তোম্বু-লাইজিং লেম্বীনা
পাখং হৈনা লাঙ্গৈকল্লে।
অনা–পৈম্নে থাম্নকলে।
মতম খম্না লৈম্নগা
অনা লাঙ্গৈকোকখয়েদো
অনা লাঙ্গৈশেংখম্নেদো
তোম্বু লাইজিং কৌবীনা
লোইদাম থাবুম অছুবম্বু
হৈনা লাঙ্গৈকম্মরগা
মোইম্নাং নিংথৌ চম্নন্দা
সনা ম্নাথং মিজখি :—
"মোইম্নাং মিংথৌ ইবুংঙো ;
অনাবদি লাঙ্গৈকোকলে।
ননাই লাইজিংলেম্বীবু
লৈমকোন্দা তিঞ্জবা
নিংথৌ কোন্দা লাকচবা
সনা নোংদম তম্বিয়ু।"

মপু মোইরাং নিংথৌনা
সনা য়াথং তার্কপরে :—
"লাইজিং লেম্বী নহাকপু
ঐগী তালোঙ্গী হাঙ্গীররোই
ইমোম লাংলেন হাঙ্গীরগে ।
তয়ুম থাংজহনবরু মাকপ্লোরেন্নি হাঙ্গীরগে ।"
অচুগী মতুং অচুদা
শানৌ মখোহ অনিবু
নিংথৌ সনা কোন্নুংদা
পুংগা শেলগা য়েৎচুনা
লুহোং খোংদোংবিরগা
নাইনচিংবা অউনপোৎ
চামা খুচ্চিং ওইহচুনা
অওং অউল তম্বিরে ।
শায়ু তাঙ্গীবোৎ মথক্তা
শানৌ অনি খিল্লকলে ।
শাবি শানৌ অনিমক
মচাক মরন রাওনা
মুংঙাই ঈপাক তাউচুনা
মতম কুইনা পানথরে ।

লোইরবা